শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত

বঙ্গ ভাষাদা

শ্রীকবি ভুপতিনা লেংবিরবা

মৈতৈলোনদা হন্দোকচবা

নিত্যানন্দ দাস

শ্রীহরাবোৎ সিংহ

মল মূল্য ১৲ টা

শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত

বঙ্গ ভাষাদা

শ্রীকবি ভুপতিনা লেংবিরম্বা

মৈতৈলোন্দা হন্দোকচবা

নিত্যানন্দ দাস

শ্রীইরাবোং সিংহ

[illegible]

নম্ফম : বি, ডি, প্রেস, উরিপোক, ইম্ফাল

অহানবা নম্বা
কোপী—১০০০—১৯৬৭ ইং
কোপী—১৫০০ ফেব্রুয়ারী ১৯৮৬ ইং

স্বত্ব পুন্নমক অইবগীনি

লাইরিক নংকম

১। অইবা : শ্রী হেশ্নাম ইরাবোৎ সিংহ
সগোলবন্দ, নাওরেমথোং
লাইরিক নফম বি, ডি, প্রেস উরিপোক, ইম্ফাল
(সেসন কোর্টকা মাইয়োক্নবা)

শ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত

লাইবিক তশীবা

শ্রীহৈখাম বাপু সিংহ

শ্রীনাওরোইবম ইবোমচা সিংহ

মৈতৈলোনগী উদ্দেশ্য

শ্রীনিংথৌখোংজম তোবী সিংহ

শৈরেং পদ তশীবা

শ্রীবাঃ কুঃ শীতলজিৎ সিংহ

অনুমোদকা:

শ্রীলুক্রাম তোম্বা সিংহ
শ্রীযুম্নাম গৌরাচান্দ সিংহ
শ্রীওইনাম লাইঙম সিংহ
শ্রীগুরুমযুম তরুণী শর্ম্মানী

শ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চহি ৫০০ শুরকপা কুমওন পালনগীদমক শেমজবা মনিপুর ষ্টেট লেভেল কমিতিগী থৌশিল মথাদা কোংজবনি ।

হায়জবা

শ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত, শনি পঞ্চালি, লাইরিক মচা অনি অসিনা পুল্লবা শ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত কৌবা লাইবিক অসি হান্না মীরৈবাক্কী লোন্দা লৈবদগী ইবৈবাক্কী লোন্দা লৈবা পাম্বিবি-বা (সাহিত্য প্রেমী) ওঝাগী যাথং লৌদুনা অমদি লাইবিক্কী অর্থ বস: তমজরকরগা অমুক্কা শৈবেং পদ তমজবতুনা গুরু অহমগী কৃপাবু কোক্কা থোংদুনা শ্রীনিত্যানন্দগী কৃপানা হৃদিদা থমজরগা ইমা লৈবাক্কী (সাহিত্য) সেবা তৌজবদা মতিক চাদ্রবা তোল্লবা ননাইনা বৈষ্ণব সেবা পামজদুনা হোৎনজবসিদা বস মথক মথা অমম্মুং মগ্নেক অবানবা দোষ পূম্বা চুমশলবিদুনা শ্রীগৌরনিত্যাই অমসুং কৃষ্ণগী নাম মার্ওর হ'য়না পাবিবদা দোষ লৈবা পুম্নমক'পু তোল্লবদা চৈবিবগা চুমশন্দুনা পাবিনবা হন্না হন্না খুকমজরি।

মনিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগনা লাইরিক অসি অহানবা কোং-বদা লুপা ৩৫০ থক তেংবা বীবকই মতুংগীদমক লমন তোঞ্জরবনি।

অনিশুবা খুংনম অসি নাগরিক পত্রগী ইডিটর কে, ব্রজমোহন শর্মানা চে অমসুং ছাপা তৌবগী অহানবা ওইনা থৌদাং লৌবিবদগী পুখোক চবা ওমজরিবনি।

সভাগী মনাই

শ্রীহৈস্নাম ইরাবোৎ সিংহ।

হীরম লামায়

হীরম লামায়

ৱাহৈ অমনিদং

লাইবিক ইবা কয়ানা মথন্ত কয়াগী লাইরিক ইবা থেংনরে। অদুবু শ্রীইরাবতসিংহগী গৌরাঙ্গ লীলামৃত হায়বা লাইরিক অসিগী মরমদা ইশাগী ওইনা খঙ্জবা অঙকপা খর য়াওই। লাইরিক অসিগী মরমদ ওাক ঙকপা নত্তে। লাইবিক ইরিবা অসিবু খঙদবা মীদদি লাইবিক অসি করবস্থ কত্রবস্ত লাইরিক ময়ামগী মমুংদা অমনি হাযবসিদগী হেনবা থোইদোকপা থন্নিঙাই লৈতবা য়াই। অদুবু ইরিবা মী অসিগী- মরমদা খজিকুং খঙ্বদা লাইরিক অসিগী মমলস্থ সাহিত্যগী খোঙ্দা যায়া। হেক্সংকনি হায়না থাজৈ।

শ্রীইরাবতসিং মতমগী চংনবা মতুং ইন্না স্কুল কলেজগী শীংথাবা য়াবা শিক্ষা ফংলকপা মী নত্তে। লাইবিক মযেক মথৈদি চংলগা মণিপুরী বৈষ্ণব সমাজনা পাম্নরিবা লাইবিক থীবা হায়বা শিনফম অহ তৌহ্না শিনফম অদুদা ওথাক্না মণিপুর শীনথুংনা মমিং লৈজরবা নহারোলশিংগী লুচিংবনি। চহি খরগী মমাঙদা মৈতৈরোলনা লাইরিক থীবগী থবক পামখংশী হায়ন্তুনা ইশামক্না শ্রীইরাবত সিংহগা নোংমা তানখি। মুমিং অহ লাইনা থাবা হারবন্থ ওইখ্রে। মুমিংঅদুদগী শ্রীইবাবতসিং মশাগী ওইনা অনৌবা পুন্সি কংবগুমখ্রে এগীদমকস্থ কূইনা তাঞ্জৰকযবা পান্দম অনা যৌখ্রে। শ্রীইরাবত সিংহনা অকনবা শরুক লৌহ্না মণিপুরী লুচিংবা লাইরিক থীবা হায়বগী থবক তৌরিবা পুন্নমক্না মকম কয়াদা—মৈতৈ রোলনা শ্রীচৈতন্য চরিতামৃতনচিংবা অকবা লাইরিক কযা থা হৌখ্রে। মৈতৈরোলগী অনৌবা য়াওলগী মমল খঙবীবশিংদদিবা

হায়রিবা মীবা হায়বদী অনৌবা খোংথোং অসি সনাগী মুক্তা ইতুনা থম্নগদবা পন্দূপনি। অ'সংস্থা পন্দূপ অসিগী থোইদো'ক তেন্দোকপা অরাঙ পূরেল ওইখিবা শ্রীইরাবতসিংহনি।

য়াম্না ঙকপদি নৌনা চঙ্লকপা খোংথোং অদুদা শ্রীইরাবতনা লাইরিক ইবা মক ওইনা ধর্ম্মগী বিষয়শিংদা শৈরেং ইবা ফাওবা ঙম্নবা ইমারোলগী আশীর্ব্বাদ ফংজবা অসিনি। লাইরিক অসিদা অরাং অপা কথা লৈরবা ফাওবদা শ্রীইরাবত সিংহনা ইমারোল মুংশিজবগী ফংঙ্রবা মঙাল অমা ফংগ্রে হায়বা লাইবিক অসিদা উই। অদুগীস্তু মথক্তা ইরিবা হিরংশিং অসিদা মশাগী থমোইগী অচেংপা থাজবা লৈ হায়বস্তু লাইরিক অসিনা উংলি। শ্রীইরাবত সিংহনা লেপ্তুনা লমী অসিদা থমোই শেংনা চঙ্শিন্নবদি লাইরিক ইবা অমা ওইনা মশাস্তু মপূং ফারক্নি অদুগা মহাক্কী লাইরিকশিংনা মৈতৈরোলগী সাহিত্যগী পুৱ্বিস্তু চাউখংহনকনি হায়বসিদা এগী চিংনব' লৈজদে।

নিংথৌখোংজম তোম্বী সিংহ।
১১। ৮। ৬৭ ইং

শ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃত



ওঁ

শ্রীগণেশায় নমঃ

বাল্য, পৌগণ্ড, কৈশোর, যৌবন।

শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা চহি ২৪ চণ্ডবৎপ কাওবা লীলা শাস্ত্রগণ
হৌজিক মায়াবু খাদোকপগী মওংজুম্মা কেশবগী মকমদণী সন্ন্যাস ধর্ম্ম
লৌবী মতাং ওইবিবক্লিবা শ্রীগৌবচন্দ্রবু হম্না হম্না খুরুমজরি।

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নিত্যানন্দবু খুরুমজ,
শ্রীঅদ্বৈত প্রভু গৌবভক্তশিংবু খুরুমজে।
খুরুংজাব রূপ সনাতন ভট্ট রঘুনাথ,
শ্রীজীব গোপাল ভট্টদাস রঘুনাথ।
খুরুমও র শচী মচা কৃষ্ণনা ওইবা,
রাধাগী মনু ডো মহাক্লনা ওইবরূপা।
শচীনবু পোকচব গৌর হবি চানবিগু,
তোম্ম তার র্ম শিংবু গৌবপ্রভু চান'বযু।

প্রভু নোংম ঙমিত্তা পুক্লিংদসুম খল্লকই ;
ব্রজ ভাবপু খল্লুবা পুক্লিং লাংতক্লবকই।
ব্রজ ভাবপু চংহুনা প্রভু হিক্লা কপ্লক্লে ;
বৃন্দাবনবু কৌহুনা হিক্লা হিরা কপ্লক্লে।
রাধা গোপী অমদি বঁশীবটনা বদাইদা,
গোবর্দ্ধন গিরিসু যমুনাসু কদাইদা।
শানজবা বাসদা পুক্লিং অসে চংখরে,
কদাহুদনো বৃন্দাবন হাযরমগা ভুখবে।
মতৌ অসুম প্রভুদো ব্রজ ভাবপু পোক্লকই,
ভাইহাক লেবে প্রভুদো ফম্মি জান হেক ঠাবকই
প্রভু খুদক অহুদা ভাব অপুম্বা হুপ্লক্লে,
নোংভাল্লেদো হংগংলে সঙ্কীর্ত্তনদা চংলক্লে
অসোমমনা ভাবতা গোষাই মংদ উজবে,
নিমাই বৌব পণ্ডিত নাবাণ ওইনা পোকখবে।
মাতোন্দবু সন্ন্যাস ধর্ম্ম পিবো নহারা,
খবোল অহম লানগনি মানা গুরু ওইহুনা।
মংদা উবা বান্দূদা ভারতীনা কপ্লক্লে,
মতৌ অহুম হৌহুনা নোঙাংববু ভাইরক্লে
রারম পুম্ব মবুক্তা খল্লকুইদো গোষাইনা,
প্রভু উনকবগে নবদ্বীপ্তা চঙুনা।
রারগনি ঐহাক্লা নবদ্বীপ্ত যৌবদা,
থাবু মানবা নিমাইনা সন্ন্যাসবু ওইবদা।

মতম কয়ারক্নমদি নবদ্বীপ্তি মখন্তাই ;
শচীগীদি মমুমদা ভারতীদো লেংঙকই।
নবদ্বীপ্তা চংঙকই শচী থোংগাল ময়োজরে ;
গোষাই অদো শচীগা শুমাংমক্ত লেপ্পরে।
ফংনীদো শচীদি মক্তুব আসন মথক্তা ,
শচী মাগী হৌগৎলি সন্ন্যাসবু উবদা।
খুংঙাইথরে শচীদো জগোই শাবা হৌরক্লে ;
ঐদি চান খুংঙাইবা মুমিৎপুদি ওইরক্লে।
শচী দেবী গোষাইগী চরন্দবু খুরুম্নী ;
নংগী মাব ফংজবো গোষাই বব পিরম্মা।
অতোগীদি তুংহুদা বিষ্ণুপ্রিয়া রুক্মি ;
লাইবক্ ফবী হে প্রিয়া ভাবতীনা হায়রম্মী।
শচী নংগা মাননা লাইবক ফবি লৈতরে ,
নচা ওইনা নহাক্কী জগৎ গুরু পোক্পিরে।
নংগী নচা নিমাইসে জগৎকীদি মপুনি ,
নংগী লাইবক্ ফবসে চমথৈ লৈতরবনি।
কদাই চৎখি নহাক্কী নচা গৌরহরিদো ;
মাবু উগে হায়দুনা ঐসে লাক্লিবনিদো।
প্রসাদিবু ফংলদি উননানি হায়বক্তই ,
কদাইদবু চৎখিবা শচীনবু খুম্মকই।
অসি হায়রা শচীনা রায়রম তৈবা হৌজরে ;
খোং থাক্কষশিংদো পুবক্তুনা থমজরে।

সেবা উরে ভারতী গোষাই বার দুংগাইরে;
থোংগে কংলে প্রসাদি পুকপু থম চাজরে।
গোষাই অমুক হায়রকই শচী নচা লাজরে;
করি বর পাহগে শচী নিজৌ হংবিরে।
শচী হায়জে বরছু পিবগেবু হায়রদি;
ঐগী ইচা নিমাইনা ইনাজবু লৈরদি।
থরাইনবু খোয়িদা লৈরিমথৈ নিমাইনা;
মহে থালে পোকপগী ইমা কোব মহাক্রা।
ভারতীনা শচীগ পুক্রিং তপ্পু হায়রমগে;
চৌদিং অমা পুরকউ নংগী বর ইরমগে।
রাহৈ অসি ভাবদা পুরক্তুনা পিররে;
চেছু পিরে ভারতী ইব অহু হৌজরে।
নচাগীদি মহারা মথম থুদিং রাজরো;
নংবু থাদোরকগা নিমাই চেপা ওইথরো।
গৌরাঙ্গনা সন্ন্যাস শোইদনবু তৌরনি,
মহাক পোকচরবগী শোইরোই চহে য়াম্লনি।
লাইরিক ইবে গোষাইনা শচীদবু পিবিরে,
বিষ্ণুপ্রিয়া য়েংদুনা ভারতীনা হায়বিরে।
করি বর পাহগে হায়যুদনা হে প্রিয়া;
ললবু পাম্বা নত্রগা নচ বুরা হে প্রিয়া।
মথুং লোমরদুনা হজৎচরে প্রিয়ানা;
ঐবু বর পিবিগু দুংশিবিগু গোষাইনা।

ইচা ইরল নিজরোই গোষাইগীদি চরণা,
পামজে ঐনা গৌরগী নাম তবু শোনবদা ।
খোরি মিথুন হল্লিঙে কাওজরোইকো ঐহাক্না;
শোঙ্গগেকো পিবয়ু, হিংলিমখে ঐহাক্না
রাহে অসি ভাবদা লাইরিক ইরে গোষাইনা;
নংবু লেপ্ন খাদোকপা ওইরসনু গৌরনা ।
মতম থুদিংমক্তুদা কাউদ্রসনু গৌরবু.
লেপ্নমক্তা তৌসনু, গৌরাঙ্গ সন্ন্যাসগ ।
নংবু খাদোকক্লম্লগা চংঙ্গগনি গৌরনা;
গৌরাঙ্গগা মরমদা রারগান নহাক্না
নংনা হিংলিমখেদি গৌরাঙ্গবু কাউরনু,
খোরি মিথুন হাল্লবে কাউদবনি ওইসনু ।
পৃথীদবু লৌরগ গৌরাঙ্গবু কৌরনা,
লাইরিক ওইনা হৈনা পিবরেদে৷ প্রিয়দা ।
বিষ্ণুপ্রিয়া কোকথক্তা লোরে পিরে থুক্লম্ম;
ভাবতীনা হায়রকই শচী পুক্নিং তংনি ।
নংগী নচা নিমাইদো করিদৌরে লাক্লরে;
শচী, অমুক হায়রকই লাক্কবাস থওজরে ।
হরিদাসগী ময়ুম্নদা সঙ্কীর্তনবু তৌরিনি;
সঙ্কীর্তনবু য়াওখ্রদি চাব থকপ কাউবনি ।
রাহ অসি তাবদা ভারতীনা খল্লকই;
হরিদাসগী ময়ুমদা চংখরগে খল্লকই ।

চৎলে শচী হায়বগা ভারতীদো লৈংখয়ে ,
বয় থুরে. প্রিয়াসু ইমুংলোমদা চংখয়ে।
করি হৈরি থনহুনা অচিকপদা কয়ম্মি ;
করি করি হৈরিবা গোষাইনদি পিরম্মি ।
হৈবিরম্লিবহুবু বিষ্ণুপ্রিয়া পাবকলে ;
ময়েক অমা উবদা শমত্রুগুম য়াবক্লে ।
বয় লাইরিক লৌখংলে কোক্তা হাপ্লে কপ্লক্লে
হাহাবিধি নহাক্লা অসুক য়ানা পিরক্লে ।
অরেম্বদা ভারেদে। এগী লাইবক অসিদা
অয়াবসে গোষাইনা কায় পিবি এঙোন্দা ।
বিষ্ণুপ্রিয়া মপী ভাই তানক ওনিক কপ্লক্লে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া কপ্তুনা ওন্বা শচী উয়ক্লে
ওহে হৈমৌ কেদোরে ভারো নবুক তপথনা ;
করিদোনা ওন্দুনা কাম্বনো নহাক ।
বিষ্ণুপ্রিয়া হায়রকহ কায় হায়নি হে হৈমা ;
হিংনবগী য়াফমবু লৈত্রে এগী হে হৈমা ।
অবাবগী মরোম্দা হৈরম্মেদা গোষাইনা ;
হৈবাইবক্তা হৈরম্মে অবাবগাক মওইনা ।
য়াহে অসি তাবদা শচী রাণী য়াখরে ,
কবিয়ামো! হায়রিবা খরাই পুবা যাদরে ।
লাইরিক ওইনা বরবু এগী হৈরি গোষাইনা ;
শোইদবেদা এগীসু হৈনি য়াবা ওইহুনা ;

থাদোক্কুনা নদীয়া গৌরাঙ্গনা চংশন্থু।
ময়েক অসি উবদা খওভে ইরে রাশন্থু।
শচীনা হায় হে বধু পুক্লিং তপ্প তারোকো।
লাইরিক নত্তে হন্দিগী তাসোননিদা খওভ্রকো।
ভারতীবু লাকপসে পুন্নমক্তা মাংখবে।
পিরিবসে ঐত্তোন্দা করি দোস লৈখরে।
অরাবগা লোইননা শচী রাণী কপ্পক্লে;
মচাগীদি মরমদা ফওববু উরক্লে।
মখোই অনি য়েংননা কপমিন্নরে ঙেংদুনা,
মখোই অনি ওনম্মিন্ন লৈবাক থক্ত কপ্পুনা।
অরাবগী ঈশাক্তা অনি পুন্না তাওখবে;
শচী প্রিয়া অনিগী রাবা কোকপা ভমদরে।
বাবীসিবু ইঙ্গবি ভূপতি কবিনা:
সন্ন্যাসী রাখিসে বৈষ্ণব সেবা পামত্তুনা।

মতাং অসিদা শ্রীগৌরাঙ্গ লীলামৃতগী অহানবা কেশব ভারতী লাকপা শচী প্রিয়া অনিনা রাজখিবা মতাংসি অহানবা অধ্যায়নি।

অমিত্তবা অধ্যায়দা শ্রীগৌর নিত্যাই অনি পুক্নিং অমত্তা ওইদুনা, ব্রজভাব মীংশীংখি। শ্রীগৌর নিত্যাই অনিবু হয়ম্ খুরুমজরি।

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নিত্যানন্দবু খুরুমজরি;
শ্রীঅদ্বৈত প্রভু গৌরভক্তবু খুরুমজরি।
গৌরাঙ্গবু উনবা ভারতীদো চংলক্লে;
চংন চংন লম্বিদা গৌরাঙ্গবু নিংশিংলে।
মবুক্তিংদা খল্লকই ঐনা কার তৌগনি;
কদোম্দবু চংলগা গৌরাঙ্গবু ফংগনি।
অসি খল্লে ভারতী গোসাইসিনা চংলক্লে;
লম্বীসিদা গোসাইনা অঙাং অমা উরক্লে।
ভারতীনা হায়বকই অঙাং তারো রা হায়গে;
কদাইবাইদা চংলগা নিমাই উমগদগে।
চৈতন্যমা খুকন্মি হংগচ্চবে অঙাংনা;
হরিদাস মন্দিরদা লৈরমগনি প্রভুনা।
ভারতীনা হায়রমই হরিদাস কদাইদা,
অঙাংনা হায় লেংবিয়ু সঙ্কীর্ত্তনবু তানিদা।
মকমত্তুদা চংলগা রাধা হায়না লাউবিয়ু,
রাধা হায়না লাউবদো ভাক্তি ফাওবা লাউবিয়ু
ভাববদি নিমাইদো চেল্লক্তুনা কোনগনি,
কোলল্লিবদো শোইদরে গৌরাঙ্গনি খঙ্গনি।

বারম পুম্বা তাবদা গোষাই মায়া মুংতাইরে ;
সঙ্কীর্ত্তনগী শব্দ তাই মকম্ চুদা চংজরে।
মমুং মপান খঙলবা গৌরাঙ্গনা ওঙুক্রে ;
ভারতীনা লাক্পসে ওসেং ওসেং উরক্রে।
সঙ্কীর্ত্তনবু লোইশল্লে মন্দিরদা কম্মল্লি :
ভক্ত পুম্বা প্রভূনা বিদায় তম্মা তৌরমি।
মাধা তাবতা প্রভুনা নিংশিংদয়ে চেপখরে ;
মতমসিদা ভারতী লেংলক্তুনা থুংলরে।
গৌরচন্দ্র থিরক্লে উরক্তবে গোষাই ;
মবুক্লিংদা কমদোনা উনসিগে খল্লকই।
গৌরচন্দ্র প্রভুনা ঐবু উনবিংদরে ;
ভারতীনা থনবদা খোইনা হেম্না ওকখবে।
ঐগী লাইবক থীবগী মরমদি উদবে,
অসি হায়না বমখরে, গোষাইনবু খ..খরে।
সঙ্কীর্ত্তন'গী খোরকপা ভক্তচুদা হংজবে :
সঙ্কীর্ত্তন'গী প্রভুনা কদাইরাইদা লেঙখরে।
ভক্তশিংনা খুম্মকই গোষাই হংগচ্চরগে ;
গৌরাঙ্গবু হংবদি করি কাম্নবিদগে।
ভারতীনা হায়রকই হায়া উহনবিখোদা ;
কোম্না মরম হায়জগে ঐনা নখোয় পুম্বদা।
থুরুমচুনা গোষাইনা ময়ামদবু হংজরে ;
খোঙদো লোনক্লিননা মঙ্গুংদা নিমাই চেপখরে।

মতম থরা ভাইরগা উনবিবা মতাবে ;
হৌজিকমক্তি প্রভুদো নিংশিংদনা চেপথরে ।
ভারতীনা হায়রকই ঐবু উননিংদরে ;
মরম অদু লৈবনা গৌররায়না চেপথরে ।
অসিদণী কেশব থোংজিননাক্তা চঙলক্লে ;
হা হা প্রভু গৌররায় মফমদৈদা কৌরক্লে ।
হাহা শ্রীগোবচন্দ্র উহনাবিয় ইবুংঙো ;
ঐসে লাইবক থীবনি চানবিয়ুকো ইবুংঙো ।
রাধা ভাবতা চঙখবে প্রভু জানবু তাদরে ;
থোংডগী নাক্তা লেপচবে গোষাইসিনা কৌজরে ।
হা গৌরাঙ্গ ইবুংঙো ঐবু কার চান্দবা ;
করম থোঙবু লোন্দুমা ঐবু উহনবিদবা ।
উহন্দুনা অরানবা পানবায়ু শ্রীহরি ,
নংবু উদরবদা ঐমা ব্রাবা ওইজার ।
গৌরচন্দ্র ইবুংঙো শচী মচা ওইজবা ;
জীবগাদমক্তবু অবতার তৌবব ।
মরোম অহম' মবুংঙো পুর্ণ সনাতননি ;
প্রাণগী লম্নি ময়ামগী জীবগীগু থরায়নি ।।
য়াম্না নৈশী নৈথোঙ্লে কৌজরকই গোষাই ;
করিমতা মপানগী জানমু তাবে নিমাই ।
ভারতীনা স্তবনবু হয়া হয়া তৌদুনা ;
কৌজবদা উনবা বংজদরে গোষাইনা ।

ভারতীনা হায়রকই উহল্লবা নহাক্কা ;
ওসি শাপম্ভ তৌহ্‌না মাংহল্লগে ঐহাকনা ।
ঐখী শাপনা নদীয়া থাদোকপবু ওইখয়ো ;
শচীগীদি অৱাবা শাপ'সিনা ওইখরো ।
মরম অসি লৈবনা নদীয়াসি থাসম্ভ ;
নংগী নরমণীদমক নদীয়াসি রাশম্ভ ।
শাপসি ককপা ওমদবা ওইরসম্ভ গৌরনা ,
শাপ্পু তৌবা ভাবদা মপান' জ্ঞানবু তারেনা ।
বাহে অসি ভাইক্লে হেক্কা থোঙবু হাংলম্মী ,
থোঙজিন নাকা লেপ্তুনা ভারতীনা লৈরম্মী ।
মাংদা লেপে খুৎ লোম্নে হায়জরকই প্রভুনা ;
করি মরমগীদমক শাপ্পু তৌই গোষাইনা ।
ভারতীনা লাকপদি ননাই এদি থঙজদে ;
ভারতীদা ননাইনা থোইদোক্লবু লাঞ্জদে ।
জমখীরবা শাপ্পুবু করম তৌনা পীরিবা ;
শচী মাতা ইমানা ওইরগদি অৱাবা ।
অৱাবনা সমুদ্র ওইরগনি থনবনি :
ঐ উদ্রগা ইমানা কমদে নবু লৈগনি ।
হায়সি তাবা শেয়দনা ইমা শচী শিগানি ;
ঐবু উবা কালহ্রদা থুংভাইজবা ইমা'ম ।
ভারতীদি থুংশিবা থঙত্রে শাপম্ভ পীরিবে ;
লাইবক থীবী ইমাদা শাপ্পু করম তৌবিরে ।

হরিদাস শ্রীবাস নদীয়াবাসী মরাম্বা ;
কপকনিদো শোয়ননা তারবদা ভক্তনা ।
প্রিয়া নিত্যানন্দস্থ মরাইবকপু নীয়নি ;
ইমাও মাংগ্রে হায়হনা শোয়দনদি চেনগনি ।
অসি হায়না গৌররায় জানদো মাংলে তুখরে ;
ইমা ইমা হায়হনা খোঙেন বাংনা কৌজরে ।
তঙুপ তরাং গৌরাঙ্গ গোষাইনবু কোনখংলি ;
মুংশিরবা রাহৈনা গৌরাঙ্গবু থেমজিল্লি ।
করিগীদি প্রভুনা ঐবু উহন্দবগে ;
করিগীদি হৌজিক্তা থোরক্লনা কপ্পগে ।
নংগী ঐগী অথুম্বা বাবু অমা হায়জগে ;
মমাঙথৈগী বাম্নবু করিগীদি কাউবগে ।
মায়া পুকনীং চঙহনা লৈরম্বেদো প্রভুদি ;
মমাঙথৈগী বামবু নীশংদবে প্রভুদি ।
মমাঙথৈগী রাকনবু হায়বা হৌরে গোষাইনা ;
হৌবা লোম্বা পুন্নমক তাহল্লেদো গোষাইনা ।
ভারতীনা হাম্নকই ইবুংঙোদি কাউখরে ;
মায়াদবু লৈরদি কাউরেদনা খাজরে ।
রাহৈ অসি তাবদা মহাপ্রভু নীংশিংলে ,
ভারতীদা প্রভুনা রাহৈ খরা হায়রক্লে ।
ভাবিয়ুকো ভারতী ঐনা হংগচ্চরগে ;
বৃন্দাবনবু করম্না উজববু হংদগে ।

বৃন্দাবনবু কৌম্বনা হেন্সা হেন্না কন্নক্লে ;
গঙ্গাগুম্বা মিৎলুদা পিনা তন্নং শিন্থরে ।
অমুক মহাপ্রভুনা হায়ঞ্জে খুৎপু লোন্দনা ;
ঐবু পুম্নো চৎলসি নহাকবু লোম্বনবা ।
নংনা থোজানবিন্থনা সন্ন্যাসবু তৌবদা ,
নহাকীদি থোজান্না লৈজগেঁকো ব্রজদা ।
ভারতীনা হায়রকই সন্ন্যাসবু নিংবরা .
সন্ন্যাসবু তৌরগা বৃন্দাবনদা লেঙ্গেরা ।
রাহৈ অসি তাবদা প্রভু খুৎপু লোম্বঞ্জে ;
গুরুমক্লি খন্দনা লুকখন্থনা হংগচ্চে ।
চেকশিন্নদি গোষাইনা ঐবু সন্ন্যাস তৌহন্নু ;
ননাই ঐসে চংচগে বৃন্দাবনবু কংহন্নু ।
ভারতীনা হায়রকই গসিসিদি লৈবিখো ;
হন্নেং ঐনা লাক্লগা নংবু পুগে চৎসিকো ।
রাহৈ অসি তাবদা প্রভু খোইনা হৱাউরে ;
চৈগুগুম্না খুরুম্মী অমুক হন্না হায়জরে ।
গসি সিমা অহুমক থঙহন্দনা লৈহৌকো ;
হয়েং হংচিং ঐহাকসে অমুকহন্না লাকেকো
হরিদাস ময়ুমদা ভারতীগা লৈহৌরে ;
অমুক হন্না প্রভুনা পুক্লিংহন্না খন্থরে ।
হরিদাস কৌশিল্লি রাহৈ খরা হায়রক্লে ;
ওইরক তৌবা রারম্বদো পুম্নমকপু হায়রক্লে ।

ককপা ওম্মরোইদবা ব্রহ্মশাপ্পু লৈরেদো ;
ঐনা দেশ খুদিংদা চৎপদিনে শোয়ব্রেদো ।
মরম অসিগীদমক নংনা থোইনা খল্লুরু ;
অমুক ,লাকে নহাকা উনগনি ঙাক্নু ।
বয় পীয়ু নহাক্না নবুক য়াম্না শেংদুনা ;
থরাম্মসিনা খৌরীদা লৈব্রিমখৈ ঐহাক্না ।
থুপপা ব্রারম পুন্নমক থওহল্লবা অসিদা ;
চরণ কোল্লে কপপক্লে ব্রাহৈ অদু ভাবদা ।
ঐনা করম লৈহৌব। প্রভু করম লেঙখিবা ;
প্রভু লৈত্রবদ্দা ঐনা করম লৈহৌবা ।
হরিদাস উবদা প্রভু পুন্নিং লাংকনৈ ;
মপু মনাক কোলগা অরাববু ফোংদোকৈ ।
প্রভুগী পি ফজবা মিংলুদগী তাবকই ,
ওকশমদামুক কোন্দুনা হরিদাস থেংকই ।
ভক্তশিংবু প্রভুনা অমমমবু কোনশিল্লে ;
অমমমবু থেমজিল্লি প্রভু অমুক হাপ্পরক্লে ।
ভক্ত নখোয় পুম্মনা তারবদা রাখবে ,
মতম থরা নবদ্বীপ ব্রাহৌবদা তাখরে ।
অসি খল্ল খল্লগা ভক্তশিংদো কপলক্লে ,
ময়াম অদু থেমজিল্লি প্রভু অমুক লেঙলক্লে ।
মন্দিরদা চংলকই মতৌ অসুম তৌদুনা ;
মায়থোং ইমক মকশিল্লি উরকইদো শচীনা ।

তগুপ তরাং কোনথৎটৈ শচী' তম্পাক থত্তুদা ;
হংবা হৌরে শচীনা হুংঙাইত্তবা রাথন্দা ।
হংওকইদো ইচাবু ওসি কবি তৌবগে .
ঐহোন্দবু হায়য়ুকো নংনা, কবি থনবগে ।
লাকচ খুছুম কনানা চন্দনং কয়গে ,
লক্ষ্মী লাকপা কান্নুদাঃ কনা করি হায়বগে ।
নহনা য়ামনা হাল্লুনা থুমদবু করিনো ;
অরাববু ইমাদা, কাব তমদরবনো ।
গৌরাঙ্গনা হাররকই ইমা মাছু হংগৎকে ;
শচী মথোঙ পায়জরে তাবিয়ুকো হায়জগে ।
হরিদাস মন্দিরে সঙ্কীর্ত্তনবু তৌবদা ;
সঙ্কীর্ত্তনগী ময়াথদা জগোই শাবা কাম্বুদা ।
সঙ্কীর্ত্তনবু লোইরগা লাকচবদা বাহুবা ,
হাইহণ্ডুনা লক্ষ্মীদা তুজবদা বাহুনা ।
হমা হায়না কৌদুনা কপচৈ উবা কংজমদে ;
য়ুমদা লাকচরিবনি অরাবস্থ কোকচদে ।
বাহে অসি হায়দুনা প্রভু অদু লৌমখি ;
বাহে অসি তাবদা তম্পাকথক্তা কোনথংলি ।
বিষ্ণুপ্রিয়া প্রভুগী চরণ সেবা তৌজরে ;
লুকহৌ শঙদা চঙদুনা প্রিয়া লুকপু হৌজরে ।
হায়রকইদো শচীনা বাপু প্রসাদ কংলখো ;
ইমা ননাই ঐহাকনা হংগৎকেকো তাবিখো ।

ঙসি ভারতী গোষাইদো করিঙম্বা লাকপরা ;
মকমসিদা মহাকপু মহাপ্রসাদ ফংবরা ।
ভারতীনা মখুঙ্গা করি পাম্বা হাপিবা ;
চানবিদুনা পীবিয়ু গোষাইদুনা লেম্বা
অরেম্ববু ফংলগা থৌরাংবসি কোকচগে ;
য়াথন তৌনু অতোপ্পা ইমা পীয়ু চারগে।
শচী রাণী' হায়রকই চত্তলদুনা চারবো ;
মুংঙাইজগে ইমানা থঙ্জক' নত্তে ফংলম্লো ।
য়াহে অসি তাবদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা ;
লেঙশিক্লে প্রসাদী ফংননবা নিমাইনা :
পুক্লিংনাদ চিংননা য়াথল' চাবা য়াথিদে ,
ইমাগীদি পেম্মবা হাথি মমা উহন্দে ।
চাবা লোইরে প্রভুনা আঃমমবু তৌরম্মী ;
নিত্যানন্দ মনাক্তা উনবদু লেঙ্কলম্মী ।
মহাপ্রভু মযাম্বা নিত্যানন্দ থুরম্মী ;
থুং অনীনা চিংথোল মনাওবুদি কোল্লম্মী ।
হায়জনকই প্রভুনা নিত্যানন্দ ভাবিয়ু ,
য়াহে থরা হায়জগে ভুংদা থোকপা য়েংবিয়ু ।
বুদ্ধ শাস্ত্র লৈরেদো থাদোক' তারে নদীয়া;
য়াথল অমা তৌরুনু লৈবহোরো নদীয়া।
হায়রিবনি প্রহাকনা দেশ দেশ চৎলনি ;
ংরাথলিনা থৌবীদা লৈরিবথে উমনি ।

গৌরাঙ্গপী ৱাখল্লা নিত্যাই খঙকৌদফুনা ,
অঙাওবঙম তুখরে লৈবাকথক্তা নিত্যাইনা ।
তাদা নিত্যাই হায়রুনা গৌরাঙ্গনা কোনখৎলে ;
ইনাউ ইনাউ হায়রুনা নিত্যানন্দ কপ্লক্লে ।
কদোমদরু লেঙগগে প্রভু ঐবু হাইনা ,
ঐবু নংনা পুবিযু উগে নংবু ঐহাক্না '
লৈজহৌবা ঙমজরোই নিমাই নতুং ইমগনি ;
ঐগী নংবু নঙনা কনা অমা লৈগনি ।
প্রভু নিত্যানন্দগা কোপ্লদুনা কপ্লক্লে ;
ঐগী কনা লৈজদে নদীয়াদা হায়রক্লে ।
থোংনা লৌবা চক্রধরদা চেজেংনবু কোল্লুনা ,
কপ্লদুনা প্রভুনা তাদা নিত্যাই হায়রুনা ।
লাইবক থীবা ইমাবু খেমাজন্দুনা লৈবিহৌ ;
ঐসে অমুক লাক্তুনা উনরান লৈবিহৌ ।
ক্ষণ অমত্তা নহাকপু উদবদা ঙমজদে ;
ব্রহ্ম শাপ্ত লৈবনা চণ্ডবদি যাজদে ।
প্রাণগা চম্ম মানবা তাদা নিত্যানন্দনি ;
ক্ষণবু অমা উদবা মাথগৈ মমঙ্গবিবনি ।
অসি হায়না চেজেংনা মহাপ্রভু কোল্লম্লি ,
নিত্যানন্দ কপ্লুনা মনাও অমুক কোল্লম্লি ।
অনি পুম্না তুমিন্নে অঙাওবঙম লৈবাক্তা ;
নিত্যাই প্রভু তুখরে তোঙান তোঙান লৈবাক্তা ।

শ্রীগৌররায় প্রভুনা কপ্পহন্না হৌগৎলি ;
তাদা নিত্যাই হায়হনা খুং অনিনা কোকলি ।
মরম থর লৈরেকো হৈজংচগে তাবিয়ু ;
অহল ওইরে ইমাদি তাদা নিত্যাই য়েংবীয়ু ।
যায়া রানা ইমানা ফংলিবা ঐহাকপু ;
অরা'বু কাওবনি উরুবদা ঐহাকপু ।
ইমানবু পোকপদি ইত্তোম্মদা মত্তাইরে ,
ইমা হায়না কৌনবা ঐ নত্তনা লৈতরে ।
মরম অসি লৈরেকো তাদা নিত্যাই লৈহৌরো ;
রাজরবী ইমাবু ইনা হায়না কৌহৌরো ।
রাইহে অ'স হায়বগা মিৎম্মুদা পী শিম্থরে ;
তাথরকপা পীহুনা হকচাং পুথা চোংখরে ।
নিত্যানন্দ প্রভুনা ঐনা করি তৌগনি ,
নংবু উত্রবহুদা ঐনা করম তৌগনি ।
ক্ষণবু অমা হাকপু উত্রবদা রাবনা ;
লৈত্রবদা হাকপু ঐনা করম লৈগনি ।
ইমাগীদি মথ্রাইনি যায়া রা পুবদো ;
মতুমকপু ঐহাকী কোকা 'না হাংদো ।
নদীয়াগী মীশিংনা কমদৌনবু লৈগনি ;
কপ্পহুনা শোইদনা নংবু কোইনা থিগনি ।
রাইহে অসি হায়হুনা নিত্যানন্দ কপ্পরে ;
প্রেমজিল্লরে প্রভুনা রাইহে কয়া হায়ররে ।

ককৃপা ভয়রোইবদা বিধিনবু তম্বনি ;
মঙ্গলবদি ওইনবা আশীর্ব্বাদ পিগনি ।
শ্রীবিষ্ণুপ্রিয়া চরন্দা ভক্তি লৈবা ওইজগে ;
ঐনা হি হি মৈথৈ দ নংগী মাঙ্গা লাকচগে ।
নখোই পুন্নমকবু সুক্ত ভক্ত তৌরসি ;
চিংনর্গম্ম কোইবরোই ঐনা হায়জরিবসি ।
লৌকিক বিদায় পিবিরো ঐবু তাদা নিত্যাইনা
ঐগী মরমগীদমক রাকগদ তাদনা ।
বাসি হায়রে প্রভুনা থুনা হেক্তা লৌগংলে ,
তুপ তরাং নিত্যাইনা পেল্লি চরণ কেন্সাল্লে ।
দণ্ডবতপু তৌনা খুকমক্তরে নিত্যাইনা ;
চরণ খবাল অনিদো চেংবলে মিৎকী পিন্ধুনা ।
খৌজালবিবু ইবুংঙো ননাই মতম খুদিংদা ;
মতম খুদিংম কুদা ভক্তি লৈগে নংঙোন্দা ।
আশীর্ব্বাদ তৌবিয়ু খোজান্দুনা ননাইদা ;
কৃষ্ণ নাম্ব শোন্দুনা লৌগে প্রণাম চরণদা ।
মিংলিবহু তাদনা চানবিসম্ব কৃষ্ণনা ;
নিত্যানন্দ প্রভুগা কপ্পি চেংনা কোন্দুনা ।
হাইক বয়ামকুম্না হেইমচগা লেংচক্লে ;
অশংবতৌনা লাকপনা প্রভু যুমদা যৌরক্লে
রাখল খন্না প্রভুনা মথ্যা চক্তা লেপ্লক্লে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া প্রভুগী চরণ সেবা তৌরক্লে ।

মতো অণুম তৌদুনা প্রভু অহিং লেপ্লক্লে।
নোংঙাল্লবা কান্দুদা সঙ্কীর্ত্তনা লেংলক্লে।
কেশববু উবনা প্রভু য়াম্না নুংঙাইনা ;
দণ্ডবতপু তৌরগা হন্নচবে প্রভুনা।
তাবিযুকো গোষাইনা হন্নচগে খুবমী ;
ঙসি অহিং ননাইগী মঙবু অমা মংলম্মী।
কুচু শঙবাবববা কোঙ চুডা খোল্রবা ;
মথেক অণুম থেক্লবা খুঙা বাঁশি খোল্লবা।
সনা কিগে খোনবনা খাইনা হেম্না ফজবা,
ঐবু মখুং অনিনা চেংঙ্গংনবু কোল্লম্বা।
উরম্নগা মঙদা মীকপ চেকপু খোবক্লে :
হৌগংদুনা অমুকশু যেকৈ উবা ফংঙমদে।
ভাবতীনা হায়বকই ঙসি মঙ্গল ওইবনি,
খিন্দনবু সন্ন্যাস কপা লাকপে ওইবনি।
কম্নি কবি খনবগে হায়বু গৌরা হৌজিকশি ;
সন্ন্যাসবু তৌবশি লোইনদুনা চংলশি।
প্রভুনা হায় ঙসিদি পুবিগনু ঐহাকপু ;
হয়েং হেক্তা লাকচগে পুবিযুকো ঐহাকপু।
গোষাইনা হায় প্রভুগী নিং'থুনবা তৌবিয়ু ;
ঐদি অণুম লৈজগে তৌনিংবতা তৌবিযু।
হায়হৈ অসি তাবদা প্রভু য়াম্না নুংঙাইখিল্লঃ
ভারতীনা প্রভুবু খুকমদুনা লৈজখি।

অহৈবগুবা অধ্যায়দা, শচিপ্রিয়া অনিদা, ঐশ্বর্য্য মুর্ত্তি পিহুনা বিদায় লৌখা। মতাং অসি শ্রীগৌরবু খুরুমজরুনা ইজরি।

খুরুমজরি চৈতন্য প্রভু নিত্যানন্দবু ;
খুরুমজরি শ্রীঅদ্বৈত প্রভু ভক্তশিংবু।
গৌরাঙ্গগী রা তাবদা মীশিংনা ঙাংনরক্লে ;
মহৈ মহৈ ঙাংনবা খোঙ্গেমবু নিল্লক্লে।
তানরকপা পুঃমক পুক্লুং চিন্তা তৌরখি ;
অরাবগী রাখস্ত তৌনহুনা লৈনখি।
সন্ন্যাস॥ মরমদা তাবা কংবা মীশিংনা ;
খল্লুরগা অরাবা ওইনখিদো পুম্বনা।
মখং মখং ঙাংনবা শচী নাকোং চংখরে ;
সন্ন্যাসগী রাকমসে তাজবদা রাখরে।
শচীগীদি হৃদিদা রায়গী মৈঙম চাক্লক্লে ;
মৈশা কংবা শচিদো খাংলকপদা রারক্লে।
বারম পুঃমকশিবু বিষ্ণুপ্রিয়া তারক্লে ;
জগৎকীদি মপুনি হায়বা খংদে রারক্লে।
করম তৌনা লৈগৌনি পুক্লিংশিদা খল্লক্লে ;
মতম সিদাপ্রভুদো য়ুমদা অমুক হল্লক্লে।
রাখলগীদি অরাবা লোইনংনা কমলম্মী,
বিষ্ণুপ্রিয়া চংলক্লে চরণ অহু শেংলম্মী।
খুদক্তুদা চংলকই কোল্লি নিমাই শচিনা ;
শচি দেবী হংঙকই অরাবগা লোইননা।

রা'মা হায়গে নিমাইচান্দ তাবো নবুক তপথনা ,
হংগদৌরি ইমানা থুম্মু চুন্না নহাকা ।
মতম কন্না আবাধন তৌদ্রনবু ফংবনি ;
নহাক্তব উবদা ঐগী ঙ্গাবা কোকপনি ।
ঐগী তা'না যংলবা সাগৈগীশু থাওমনি ;
নংনা ইমা কৌবদা মহে য়াঙ্গবিবনি ।
ঐগী লাইবক ফবনা নিমাই নংব ফংবনি ;
নদীযানা ঐহাকপু লাইবক ফবী হায়রবনি ।
অশুম অশুম মীশিংনা তা'নবব তাইদনা ;
মমা থাদোক্লম্লগা সন্ন্যাস তৌনি নিমাইনা ।
তমথিববা হাংহসি তাবদা ইমা বাখবে ;
হবাবগী মৈশানা প্রাণসে লৈবা যাদবে ।
ইমাবু গঙ্গ দা দ খবনলো নহাক্না ;
অহুদগী সন্ন্যাস তৌবো ননিং তমহনা ।
নংব্রগদি হাতোক্লো ইকোক অসি য়েহনা ,
অহুদগা চংখ'বা সন্ন্যাসব তৌদ্রনা ।
নংব্রগদি ইমাবু শুংনহুম চংলোকো ;
অদাবব কোকচগে নংব উহনবিদুকো ।
ফগ অমা দ'দোকপা ওবজদেকো ইমানা ,
এব থাদোব্রম্লগা কদায়' চংকনি নহাক্না ।
লাইবক থীবী ইমাবু করম তৌনা লৈহৌনি ;
নহাকনু মংতনা কনানা ইমা কৌবিনি ।

ইমাগী মা ভাবদা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা ;
হায়জখকই মমাবু থেম্বা য়াহে কয়ানা ।
ত'রো ইমা ননাইনা য়াহে খরা হায়জগে ;
সন্ন্যাসবু তৌবগী য়াবু কনানা হায়বগে ।
লৌনম্বু য়াহৈনি ইমা য়ানা খমুহ্ন ;
সন্ন্যাস তৌবা হায়বদো ঐদ তৌরোই খম্নু ।
ঐগী য়াখল অমাদ লৈ.জ মচু হায়জগে ;
মতম খুদিংমক্তদা কৃষ্ণ ভজন তৌজগে ।
সংসারগী মপুংদা তৌদবদি য়াদেদো ,
কৃষ্ণ ভক্তি নত্তনা জীবগীদি লৈতেদো ।
মীওইনবু পোক্লগা কৃষ্ণ ভক্তি তৌগ্র'দি ;
হায়রি মচু লাইহিক্ক অরেম্বনি জীবদি ।
মপোক কয়া ভাম্দুনা মীওই অসি কংবনি ;
মরম সিনা কৃষ্ণগী চরণ থম্বাল নিংগনি ।
উচেক শানচিংবগী মপোক্কবু পোকশ্রদি ;
করি'মত্তা থগুলয়োই মানা কৃষ্ণ ভক্তিদি ।
পুম্নমক্কগী হেল্লবা মীওইবগী মপোকনি ;
ভক্তিদবু তৌর'দি সংসারদগী লানগনি ।
ইপা ইমা কনামো মরুপ মপাং কনানো ;
কয়া কুইনা লৈদুনা মীওইবনা লৈবনো ।
ইপা ইমা হায়বদো মরুপ মপাং কৃষ্ণনি ;
সংসারসে য়েংবীমু অরেম্বব্ ভাক্তনি ।

জগৎ অসে বিষ্ণুগী মায়াতনা শেম্বনি ,
মরম অসি লৈবনা ইমাদবু হায়বনি ।
ঐবু মুংশিবগুম্না কৃষ্ণ মুংশিবীযুকো ;
অবা অনা কয়াবু থাদোক্তুনা নিঙ্ঙুকো ।
অম্যাসগী ধর্ম্মবু কনা চৎপা ঙমগনি ;
অচেৎপবু ইমাদা হায়জরিবা অসিনি ।
মরম অহুগীদমক চিংনকপ্পু ইমানা ;
মতম খুদিংমক্তুদা কৃষ্ণ ভক্তি থারোইনা ।
মচা ওহবা অহুনা কৃষ্ণ ভক্তি চংলদ ,
সংসারদগী লাঞ্জরে মপা মমা অহুদি ।
শচী অমুক হায়রকই তাবো নিমাই বা হায়গে ,
লাইরিকমক্তা য়াওগ্রবা রাহে খবা হায়রগে ।
হৌজিকমক্তি নহাকসে মথোক কারাক্লবনি ,
মতম অসি নহাক্তি কৃষ্ণ নিংলোহদবান ।
অহানবদা লাহাবক্তো কনা ঙমগদোবনি ;
লাইরিক তম্বা অচুগী তুংদা ললবু তানগনি ।
লল তানবগা তুংহুদা পুন্য ধর্ম্ম তানগনি ;
মমা মপা সেবাদা কম্মনাচংবা তৌগনি ।
শ্রাদ্ধ কম্মনাচংবা তৌরগনি তুংহুদা ;
যুম-কৈবু শানবগী থবক ওইববহুদা ।
ইচা ইরমচিংবা পৈশল্লবগী তুংহুদা ;
নিমাই নংনা পুম্মমক মখল ওইরবহুদা ।

সন্ন্যাসবু তৌবগা কৃষ্ণ ভক্তি চৎকনি ,
সংসার সমুদ্রদগী স্বর্গদা লৈগনি ।
ঐনা হায়রীবসিদি লাইরিকমক্তা য়াওবনি ;
যৌক্তিং কর্ম নহাক্না কৃষ্ণ নিংলোইদবনি ।
গৌরহায়না হায়বকই অমুক হ্রাসি তাবদা ;
ভারে ইমা হায়জগে মচুগীদি বাফমদো ।
লাইরিকমক্তা য়াওজবা অচেৎপচু হায়জগে ,
মতৌ করম তৌদুনা কৃষ্ণ ভক্তি চৎকগে ।
দেহে জীবা অনিনা লৈমিংবগী প্রমাণ্দি ;
শ্মশানদা ঈশিং হাপ্লম নিকাবনি জীবদি ।
হৃংশিংদ চুম্বা মাইগৈদা ঈশিং তাখিবগুম্নি ;
কপ্স মতুং ইন্দুনা খংহৌদবা মাংখিনি ।
মৈ হৈ খরা হায়জগে তাবিয়ুকো ইমানা ;
অহানবদা চৎকনি কৃষ্ণ ভক্তি তমদুনা ।
মপোক বম্বা নিংদুনা মীওইবসি কংবনি
কৃষ্ণ ভক্তি তৌরগা শোয়দনমক লানগনি ।
মীওইবগী দেহসে তেক্তা ফংবা য়াদেকো ;
অঙাং ওইরি শিখিরোই হায়নবদা য়াদেকো ।
অহল ওইবা কান্নদা কৃষ্ণ ভক্তি চৎকনি ;
নোংমা ওইনি শোয়দনা থদ্বৈদা মাংখানি
কৃষ্ণ ভক্তি হায়বচু অহানবদা তমগনি ;
ঐনা হায়রবা হ্রাইহসে লাইরিকমক্তা য়াওবনি

পাঞ্জল কনবশিংদগী অথোইবনি ভক্তিন ;
খ্বায়দগী হেনবনি কৃষ্ণ ভক্তি অনিনা ।
নিংজবি মীশিংদো চৎনবা হৎনা কৃষ্ণনি ,
মহাকুবু নিংবদি পুম্নমক্ন্না ফংবনি ।
'তোপ্পা বাহৈ খবদ' হায়জগেকো তাবিনি ;
নিংজবীবা মীতুগী চানবীহৈবা কৃষ্ণনি ।
ভক্তমক্ল উমজবা খ নরিযে জগৎনা ;
হায়জবিবা ব্রাহৈসে চিনগম্ব ইমানা ।
কৃষ্ণ ভক্তি হায়বসে [illegible]
লাইহৈ অসি তাবদ্দা শ ী থো না বাখবে ।
নিমাই সিনা সগ্যাস তৌবর্ন খনখবে ,
শচী মান ব্রাজবা নিমাইচানা [illegible]
মহাকমক্কী ত.সংবা মুর্ত্তি অদো [illegible] ,
খুংলাই মবি থোনবদ' থৌনা হেন্না যজ'ব্র
মাংদা লে শ্ব গৌরাঙ্গ হাথক্রাকই মমাদা
অহ উব' শচীনা খাক্লাই লৈবা কাওইদা ।
ঈশ্বরনি খভপক্কে থাগচবা হৌবক্কে ,
প্রভুনা হায ওবিবু তঙ্গচগে হাযবক্কে ।
তৌজবগে সন্ন্যাস বিদায পিবু ইমনা ,
সাধুগীদি মতৌঙম লোনবঙম ইহুনা ।
ষতন তৌনা অযাব্বা লোন ইতিক লৌ না
ৎচকগে নৈহাক্র ইবৈবাকপু থাহুনা ।

কৃষ্ণ প্রেমবু পুংনা হজবকৈ ঐনরা ;
কৃষ্ণ প্রেমবু পিজগে মুমথোং পুদিং চংদুনা
সংসারগী মচংদা লানবীরগে উৎখশি ;
মরম অসি কৈবনা গৌরুরগে প্রেম চলাখি
ঐবু নংনা পোবগনি নংনা ঐবু য়োকপা।
অঙ্গাইপিরো হৌজিক্তি সন্ন্যাসপু ওইবনি
তাজবদা শচীনা হৌরক্লেদো হ যজবা ;
নিংতম্বনি নহাক্কী কনানবু লমচবা।
চতম কযা কৈদৌবা ঐহাক্কীদি ইম্মদা ;
চৎনিংবদা কেংখয়ো নহাক্তনা নিংবদা।
খুৎপু অনি থোরৈ হজৎচবা হৌরক্লে :
মুগ খুদিংবু নাংগোন্দা ভক্তি লেগে হজংহো
প্রভুনা হায় ভক্তিদি নহাক্তনা ওইরেদা ,
বিদায় লৌরে শচীমা নিজগী নমদা।
শচীনা হায় তাবিমু বা অতক হায়জগে ,
বিষ্ণুপ্রিয়া ইমৌনা কবি উপায় লৈবগে
নিংথমনা নহোদো নহাক্তিদা যহরি ,
কমম তৌনা হিংগনি নহক্তবু পঙ্কবি ,
হায়রি অসি তাবদা হায়ব হৌরে প্রভুনা .
মচুম কয় লেনবা মানা চেৎনা তৌদুনা
ভক্তশিংদা তাকপিবু মাগী গৌর লৌদুন :
মতৌ অস্তম লৈবীমু মহাকং লোইনা

হুঞ্জঙ্গ'ব ক্ষা পী মুত্তি ওইবা প্রভুনা ,
অ্ক হন্ন হায়রকই খুমজন্দুনা মরানা ।
চৌবা শোম্বা ক, ওখরে শগী দেগা পুক্লীংদা ,
নিমাই হায়না কৌজবে কোনখংচরে তগী ও
হায়জবকই প্রভুন , পনীং তপ্পা ভাবয় ,
অরাম খৌবাং কোকচো চাজবগে শিবিয় ।
বিযু প্রিয়া হায়বকই ত নিবা চুমাও ;
থোংবা থাকপ শোইজবে মাবগনি লেংশকও
আসন থবে প্রিয়ানা চাব হৌবে প্রভুন।
চাব শোইবা তুংহুদা পানাইহারে প্রভুনা ।
অ্ক হনা প্রভুদা গোযাই নাক্কা চংগী
গে মাই উই ব প্রভুন। চন্ডিম্না থুকমই
সন্যাসা নংমসে শচি দেব। খংলক্লে ;
ব্রাযনী মৈনা মাকপঙ্গম শ খঃাই চারক্লে
সন্ন্যাসপ মবমসে খঙজবক্লে প্রিয়ান্স ;
খঙ্গুবদ হাথবে লৈব ভ্রমদে প্রিয়াস্ত ।
ম্ভু খন্ন খুদিংদা অবাবনা ওইখরে ,
নীংলুদগী নিচুদা গশাঙ্গা শিন্থবে ।
মতমসিদা প্রভুদো ব্রাখল খন্না লেংলক্লে
প্রভুগীদি মৈফমনা মুখিং তাবে চংলক্লে ।
লেবা চেৌঙ্ক প্রভুগী মথোং হান্নী প্রিয় না
ভেজন গৌই বিষ্ণুব সন্ধ্যা মতম ওইহনা।

চাবা থকপা লোইজরে হংঙাইবগা লোইননা ;
সর্ব্বা থক্না লেংথংলে কেপ্পা কৌরে প্রভুনা।
বিষ্ণুপ্রিয়া কংজবে মবুংঙোগী প্রসাদি ;
সেবা পাম্বী প্রিয়ানা ওই ওইননা কমদি।
উবিহুনা প্রভুনা হ বীবকই প্রিয়াদা ;
ঠিক হিক লাওনা কপ্পবু হৌজিক্কীদি মতমদা।
কবি নিংবা কাযতুনা পুক্কি শোক্না কক্লগ,
অরু পোংলুম পুরগুম কাং নিংবা কাযবগে।
শ্রীহস্তনা মানবীবে মনাই বিষ্ণু প্রিয়াদা,
হঙ্গচবে প্রিয়ানা কপ্পা কপ্পা প্রভুদা।
পুক্কীং ভপ্পা ওনিংসু না অমত লৈজরে ;
মীনা হায়বৈ প্রভুবু মহুম্মক ঙাংবিরে।
বজ্রগুপ্পা খুংলায়নি, তাজবদা ভমখিবা ;
সন্ন্যাসগী খুংলাবনা লল্লাই থক্না থাবিবা।
ওমখিরবা ব্রাইচদো গমজদেনে থাংবদা ;
শিবাদ্রিযাবা মৈ রবা, থোযগংবা চাকইদা
কয়া মকম আরাধন ভক্তনা কংবনি।
ঐবু উবা মীশিংনা লাইবক ফবী হায়বনি।
নংবু কংজবশিদা ঐগী আশা চাউবনি,
নিংবা কাযবে ঐগীদি ওমখিববা ব্রাইনি।
লেংগদবা লৈরদি ঐনী কোকসে মৈখারম্
নাসিং তৌনা লেংলগা সন্ন্যাসবু তৌবিয়ু।

নংনা ঐবু থমলম্মা লাইবক থিবী ওইহৌরে,
ইতোম্মতা থিন্দুনা ঐগী লেপ্পা শিহৌরে।
মাংজরনি ইথম্ত্তা মথোক কাবা কজবা,
শচী ইমা মুংঙাইনি মচা অনি উদবা।
মথোক কাবী প্রিয়াম্ব থনমত্নুনা চংলগে ;
লাইরিক মক্তা মাওবরা করি ধর্ম্ম কংবগে
মরম অসি লৈবনা হঙ্গচ্চবা মনাইনি।
কনানগু ওমকরোই ভাথিরবা য়াঙৈনি।
নাহ অসি তাবদা হাযবা হৌরে প্রভুনা ;
অরেংনি য়াহৈদো কৈগু য়াম্নু নহাক্না।
মবম অমা লৈরিয়ে মত্নু হাযগে ঐহাক্না ;
কৃষ্ণ চরণ থম্বালদা ভক্তি লৈগে নিংদুনা
থল্লুবদি ঐহাক্কি সংন্যাসদি থল্লুহে ;
অতোপ্পা মা থল্লুনু সন্ন্যাসদি তৌহেদে।
থবায়মক্তা মামবী ওইঙরিম ঐঙোন্দা ;
নংবু থারোই ঐহাক্না সন্যাসগ তৌরোইদা
কৃষ্ণ চবণ থম্বালদা ভক্তি লৈবা খোইব.
ভক্তিংদা লৈরাদি সংসারদা তোনবান।
মবম অসি লৈরিযে তারো নবুক তপথনা,
সন্ন্যাসগী মবমদি ঐহাক্কীদি নিংদেনা।
ঐন নিংবা অমদি মত্নু হায়গে তাওদনা ;
ঐগী লমচং ধর্ম্মবু তম্বীরুগে ঐহাক্না

অতোপ্পদি থল্লুর মহুতমু থলবনি ;
নহানমক্কী মপোক্কা নংগা ঐগা লৈবনি ।
অসি হায়না প্রভুনা মাগী ওইবা মুক্তিদো ;
বিষ্ণুপ্রিয়া উহল্লি মমাংহুদা লেপ্লিদো ।
চরণ কোনে প্রিয়ানা হঙ্গচ্চয়া হৌরক্লে ;
মফম মফম খুদিংদা লেংবিখরো হায়ররক্লে ।
বা অমতং হঙ্গংকে তোঙ্গরবী নবাইনা ;
মতম খুদিং মক্তদা লৈজগেদো ভক্তিনা
প্রভুনা হায়রা তাঙ্গরো বিষ্ণুপ্রিয়া নহাকপু ;
উহল্লেদো মুপাসে মতম সিদা নহাকপু ।
অসি হাযরে প্রভুনা কাংখনখরে মুক্তিদো ;
বিষ্ণুপ্রিয়া মমিংতা অমখদি ওইরেদো ।
বিষ্ণুপ্রিয়া মফমদা ঙকখনথরে প্রভুনা ;
সমহৎখরে প্রভুনা বিষ্ণু মায়া পিহুনা ।
হৌব লোম্বা পুন্নমক বিষ্ণুপ্রিয়া কাওথরে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া প্রভুগী সেবা তৌরে হয়াওবে ।
সুংঙাইবগা লোইননা অহিং অসি লেল্লক্লে ;
নোং ঙাল্লেদো হৌগংলে স্নানবু তৌরে মল্লক্লে ।
চলন থিনবা লোইড়ুনা নিত্য সেবা লোইখরে ;
লেংসল্লক্লে লুকহাশং বিষ্ণু প্রসাদ লৌথরে ।
পানা লৌরে প্রভুনা বিষ্ণু কনলে হাপ্নবে ;
'ভারতীগী মনাক্তা নিংঙাইদনা খুললুরে ।

ভাবতীবু থবক্তে অমুক হন্ন লেংলক্লে ;
নদীয়াদা চংলক্লে' কোই কোইনা য়েংলক্লে ।
অমুক হন্ন ভাবতী উমক্লরে প্রভুনা ;
হায়বা হৌরে প্রভুনা খুৎপু অনি লোম্বনা ।
মীত্তা পীবি শিন্থরে হিক্ল হিল্ল কপ্লক্লে :
সংসারগী মায়াদা খল্লুবগা ব্লারক্লে ।
তাবিম্বুকো ভাবতী হীমংগে নমাইমা ,
অসি তহিং অসিদা ঐবু পুবো গোসাইনা ।
গোসাইনা হায় নিমাইনা অহিং চৎপ যাদেকো।
হৌজিক চৎপ যাদবা বরি অমুক খঙকো
প্রভুনা হায় ভাবিযু মবম অদ হায়গনি ,
ঐনা হৌজিক চৎকনি মযামশিনা কপ্পনি ।
বিষ্ণুপ্রিয়া লাক্বনি ঐবু থাবোই মখোয়না ,
ইমা শচী লেপ্লবনি ঐবু কোম্নি মহাক্না ।
মরুম অসি লৈবেদো, লোম্ন চৎশি থম্নখি
মতাং অসি হৈবগী প্রভু ভক্তি তৌজখি ।

মতাং অসিদা বরি ভুপালনা ইজবা শ্রীগৌরলীলামৃত, মশা শচী প্রিয়া অনিদ হৈবুংঙোগী ঐশমা মুক্তি উইনবা অহনবা অধ্যায় লোইজরে ।

প্রিয়া অনিবু থংহন্নবা লেংজকপা অচম্বগী মতৌগুম কপথিদে। যা ; শচী প্রিয়া অনিনা অৱা ইপাক তাথিবা জগৎকী মায়া চায়না তাকপিবা প্রভুবু, নিত্যানন্দদাসনা হন্না হন্না খুরমজে ।।

খুরুমজরি চৈতন্য খুরুমজরি নিত্যানন্দ ;
খুরুমজরি অদ্বৈত খুরুমজরি গৌরভক্ত ।
মতমহৌদা মৈলানি চক্ত অমা পুত্রনা ;
ঈশিং শোক্লে গঙ্গাদা মতু পুরে মৈলান ।
তপ্পা তপ্পা চংশকই থংহৌদনা লৈরম্লে ;
কজরবী পুপীনা জগোয় শাবা উরক্লে ।
অশু উবা ফংবদা মালিনিদি উকচরা ;
করায়দগী গুপ্তিনো পোকপদগী উদরী ।
রাখল অসি খল্লুরে মালিনিনা হংজরে ;
কদায়দগী লাকপনো কপলিবহু কৈদৌরে ।
নংগী শকতম উবদা ঐনা খোইনা রাখরে ;
চায়মুগবা ইমা-গা কনা করি হায়বীরে ।
মাহৈ অসি তাবদা কপ্লহুনা হায়রক্লে ,
লক্ষ্মীনি ঐহাক্তী থংহৌরোকো তাক্লক্লে ।
তসি অহিং নিমাইনা থংহৌদনা লেংলিনি ,
সন্ন্যাসবু তৌথিনি দেশ খুদিং কোইগনি ।
অৱাবদ ওইরনি নদীয়াগী মীওইদি .
নদীয়াদি মঙনি গৌরচন্দ্র লৈত্রদি ।

অরাবগী রাথস্ত নদীয়ানা তৌরমি :
অরাবগী মরক্তা থ্রৈনা করম লৈগনি ।
মরম অসি লৈবনা নদীয়াবু থাগনি ;
গৌরাঙ্গবু কাইনবা কয়মবু থংগনি ।
রাহৈ অসি ভাবদা মালিনিশু রাথরে ;
হৌবা লোম্বা পুন্নমক মচা থাইনা হংজরে ।
নাকল য়েম চকুদো লৈপাক থক্তা থয়রক্লে ;
ফমথরেদো মৈলানি পুক্নীং তপ্না হংরক্লে ;
মীংকী পিগু তৈথোক্লে তপনা তপনা হংজরে,
হায়য়ু ইমা গৌরনা মতৌ করম চংখিবা ।
নদীয়াদা লৈনবা করি উপায় তে শিগে .
গৌরাঙ্গবু লৈত্র'দি থ্রৈথোয় পুম্ব চংলগে ।
নংশু ইমা নদীয়া থাদো কুনা লেংগেরা ;
উপায় অদু তাকপিয়ু চত্তনবা শ্রীগৌরা ।
করি মরম লৈতুনা চৎকদোরী ইমানা ;
রাহৈ অসি তাবদা হায়বা হৌরে কপ্তুনা ।
মরম অদু কায়জগে তাবিযুকো মৈলানি ;
নদীয়াগী মীশিংসে য়াম্না রাবা তাগনি ।
লৈরক থল্লক থুদিংদা লাউবা কপ্পা তৌগনি ।
অরেপ্পনি প্রভূদি সন্যাস ধর্ম্ম তৌগনি !
গৌরাঙ্গব কাইনবা শুকশোই শোইয়োই ওইগনি;
নদীয়া মীশি দি অরা চিন্তা তৌগনি !

বাখিবনা পুজবা ভমদতুনা লাওগনি ;
নংনা হংবা রাহৈদো ঐনা হায়বসিদনি।
লক্ষ্মী দেবী ইবেম্মা হায়বমগা লেংখবে ;
কপ্পা কপ্পা মালিনি তপ্পা তপ্প হল্লক্লে।
মাংওইননা মী অনি চেলম্ব'মুক উবম্মী ;
নিপা অমগা মখুত্তা মৈদুল অমা পাইরম্মী।
নিপ অমগী মখুত্তা পুতুম অমা পাইবম্মী ;
মখোয় অনি কমদুনা নিওত্তাই শদানবন্দী।
অমনা হায় ঐ চংনি অমনা হায় ঐ চংনি.
নিপা অনি উবদা চম্মা তৌবে মালিনি।
মাদ লৈবা মখোয়'নী সিদা করি তৌনবি :
নং যর্নিং উবগা লেনা খেইনা রাজবি।
ঐখোয় নিনা খংনবা তাবো দেবী হায়গনি,
খংনবা রাহৈসে ভুংদা শোইবোই খংগনি।
গৌরাঙ্গদি লেংগনি ওাস অতিং অসিদা।
হায়না চংবা তান্নবি ঐখোয়'নিগী মরক্তা।
মলানিনা হায়বকই নখে য়নিবু কনানো,
নবি কবি তৌদোবী বদায়দগী লাকপনো।
মবন অতু হায়জগে তাবযুকো মৈলানি :
নদ'য়াসে ঐখোয়নি চংগে হায়না লাকপনি।
মলানিনা হায়বকত তাবিংকে নখোয়'নি.
ম পায়বি অমন ক'ব কবি তৌগনি।

কবি তৌদৌরিবনো মুংব পাম্বরি অমনা ;
থংহনবিগ্ ঐঙোন্না মরম অহ্নু হায়রছনা।
মগোয়”নিদা হায়রকই তাবিয়ু ঠাকুরাণী ;
ঙসি অহিং প্রভুদো নদীয়াব্ শাগনি।
নদীযাদগী প্রভু হেক লেংখিব কান্নুদা :
ইথোঙ অনি চংগনি শুকশোম্ম শোইবোই ম'সদ।
ইম অ'সনা রাবণী ওইরহ্নমা থাগনি ;
নদীয়াগী মীশিংদা নৈ অমিনা চাক্ক ন।
পোকপনগী ফদবী মথোয়শিংসে অবাবা :
হা হা কাব লাগুক্কনি গৌবাঙ্গবু কাইনবা।
চিন্না পোংলুম পুরনি ঘরাংদা লইবনি :
গৌরাঙ্গবু কৌহ্না অহিং নুংথল কপকনি
পোক লগী কশত্রিবা নদিয়াগী মীশিংনা .
মমিত্তা মপি তাসন্নু অহিং নুংথিল থাক্কনা
অগানবদা পীগনি মুংগুম্না লুম্নবা ;
ম'ক্কাবংথক্কো হাপকনি অকম্বগী অরাবা।
গৌরাঙ্গন্ কাইনব অরাবদা ওইসন্নু :
কপা রাজ্জহ্না অসিবগুম ওইশন্নু।
বা তাবদা' ইমলানি অরাবদা ওইনক্লে :
খল্লুবদ নাপবে কপনা কপনা হল্লক্লে।
রাখলতনা মমথরে চৎপা লম্বী উদবে :
হমুক হন্ন উরক্লে মা' অনি মুক ইকনম্লে।

হুপী অমা অমনা নিপা অমা ওইরম্নে ;
তথক তথক মুপীদো হরাও জগোই শারক্লে ।
অনি শরী মশমদো তঙাং তঙাং নিকচরি ;
হায়না হুম্না মশাদো নোকপা লাক্তিরা তৌজরি ।
অমোংপা শেংলগা হুডাইবতা ওইজরী ;
লাইবক তোংবী শকথিবী শমদোন ঙাংবী অমোংপী ।
ঙাইহাক নোকই অমুকন্থ জগোয় ইশৈ শরকই :
ঙাইহাক যেংই চেপথনা নদীয়াদা হল্লকই ।
তপনা তপনা নৈমলানি মনাক মক্তা চংলক্লে ;
মলানিগী পুক্লিংদা চিংনজুনা হংলক্লে ।
হায়যু ইমা মহাকপু কদায়দগী লাকপনো :
করি রাখল তৌহনা ননা জগোয় শাবনো ।
হুপী তুনা হুম্মক্লে, রাইহৈ অসি তাবদা :
নংনা ঐবু খংদেদো ঐনা নংবু খংঙিদা ।
অলক্ষ্মী বু কৌইবা ঐগী ইমিং হায়জরি :
মতম কয়া ঐহাকা নদীয়াদা চংদরি ।
নিপা অসি য়েংউদো ঐগা লোইনবিবসে :
মাগী মমীং লাইরবা কৌবনিকো নৈমলানি ।
নদীয়াগী মীশিংসে খোংখোংপা লাইরনি :
রাইহৈ অসি তাবদা খোইনা রাবে মলানি ।
অমুক হন্না চংলক্লে অরা পোংলুম পুজরে ;
খোংবু থাংবা খোক্লুরে মাইগৈ মক্না থংদরে ।

অসুম অসুম কাংকপনা মাগী মযুম য়ৌরক্লে
নাকল যেপপা চয়ুদো থনঙ্গগা চেল্লক্লে।
কপনা কপনা মৈলানি শচী লবা তমহুনা
থুনা যাংনা চেল্লক্লে অবা অনা খংদনা।
শচী বাণী কমল্মী ফজববা আসন্দা ;
তাবো শচী লাইরবী যম্মী নংদি হুংঙাইরা।
ঙসি অহিং নিমইদ শুরুশে ঈ শোইরোই চখিন
রাবম পুম্বা তমহুনা তাঙ্ক্লিদো মৈলানি।
রাহৈ অসি তাবদা শচী থোইনা রাখবে :
অকাশনা কোকথক্তা ননবংম্না রাখরে।
শোইদনমক নিমাইশে চংখিবমক তাবোইবে
শচী রাখল থনবদা থোইনা হেন্ন চাকখবে
মন্নানিগী খুজেংদা পায়বহুনা শচীনা :
এনা করি তৌগনি হায়ম্লগবা নহাক্না।
মৈলানিনা হায়বকই রাখল অমা তৌক্লুগ্লু
ঙসি অহিং ইমাদি কমুংথক্তা তুমগনু
অসি হায়রে মৈলানি মযুমলোম্না হল্লক্লে
হংবগা শচীদো থগোয মেনা চাক্লক্লে
হল্লুবদা পুক্রিদা শচী লৈবা ঙমদবে
ঙাংখিনবা মৈহুনা শচী যুহৈনা চাকখরে
তশহন্দি প্রভুদো ভারতীগা রাতামৈ
অমুক প্রাভ হংলকই পুক্লিং অহু লাংতক্লে।

পুক্সিং ম্বাম্না রাক্সনা শচীরাণী কম্মন্মি ;
শচী কম্বা উবদা প্রভু পুক্সিং রারম্মী ।
শচী তম্পাকথক্নুদা কম্মহ্নুনা হায়রকই ;
ঙসি নুমিং অসিদা মাইথোং ইমক মকলমই ।
ঐগী মরমগীদমক খঙদে চিন্তা তৌরিনি ;
কয়া মক্ষম খঙহল্লে করি তৌরে কাঙবদি ।
অতোপা করি রাথলবু তৌরিবগে ইমানা ;
ঐদি বারে ঙসিদি ইবুক অসি লামহ্নুনা ।
চাক থোংলোকো ইমানা চাক চারগে ঐহাক্না :
বিষ্ণুপ্রিয়া লৈরম্মী মতম সিদা কমহ্নুনা ।
প্রিয়া থুক্সেং পায়হ্নুনা নুংশিববা রাইনা ;
থবাইমক্কা মান্নবী নুংশিববী ইমৌনা ।
হৌগত্নুনা থোংলুরো নমুংঙোপী চানবা ;
মতম চাদে কমগনু করি চিন্তা তৌরিবা ।
রাই অসি তাবদা চাকথোংশংদা চংঙকই ;
চাকপু থোংঙি হায়হ্নুনা কম্মী চিন্তা তৌবকই ।
কপ্পা কপ্পা প্রিয়াদো চাকপু থোংবা হৌরক্লে ;
মিত্তগী পি তারক্লে ফিজোন পুম্বা চোংলক্লে ।
খুং নাম্মনা তৈথোকই মৈ য়াংশিল্লি অমনা :
ঐবু থাদোক্লম্মগা লেংখিদৌরি থন্দুনা ।
ঐনা মাবু নংতনা কনা য়েংনি থল্লক্লে :
অসি খন্না প্রিয়াদো থোংবা থাকপা লোইরক্লে

লেংশিল্লক্লো ইবুংঙো চাক থোংববু লোইজরে :
লেংশিল্লক্লে প্রভুনা চাকপু চাবা হৌরক্লে।
বিষ্ণুপ্রিয়া ইবেম্মা চাক পুত্তুনা লেপপরে:
অশুম তৌনা ঐহাকসে ফংলরোইকো খনখরে।
বিষ্ণুপ্রিয়া উবদা হায়বা হৌরে প্রভুনা ;
মাইথোং মক্লী করিগী ইমাংমক্তা লেপ্পুনা।
ফংজরো প্রসাদি নবুক্লীংদা হুংনাইনা :
মথুংমক্তা পিবীরে প্রসাদিদো প্রভুনা।
খুং অনিনা লৌজরে প্রসাদিদো প্রিয়ানা :
পুক্লিং পেন্না যংজয়ে মহাপ্রসাদ প্রিয়ানা।
মপোকশিগী প্রসাদি ওর্সিশনা লোইয়েকো :
ফং লগনু বিদিনা লাইবকশিদা ইবোইকো।
অমুক হন্না উরবোই থাবু মানবা ম য়থোংদো ;
ঐগী ইমং অনিসে পেন্নবা রেংগেদো।
রাখল অসি খল্লদা খম্মোব শবা য়াদেদো।
চাবা লোইবে প্রভুদো আচম্নমুক তৌরেদো,
চিনশেংনবা ক্না হারে শয্যাথক্তা চেপ্লক্লে ;
শয্যাগী দি মনাক্তা বিষ্ণুপ্রিয়া চংলক্লে।
অবাবতা খনবদা প্রভু চেপপা য়াখিদে ;
শচীনা হ'য় ইবেম্মা পুক্লিং তপনা তাবোনে।
ওসি অহিংসিদদি নদি ভুম্বা য়াদেদো ;
রাইহু অসি হায়রগ শচী হেক্তা চংখিদো।

থোংজিন নাক্তা হৈদুনা। দুর্মাংদরে কমথরে
বিষ্ণুপ্রিয়া প্রভুগী মনাক মক্তা হেজরে।
ওই ওইননা প্রিয়াদো হ্রাথল তৌনা লৈরমং
প্রভু তুশা য়াথিদে নাখল অশুম তৌরকই।
প্রভু নাতৌ উবদা হ্রিক্ষা পেক্ষৈনা হ্রাখরে,
ওয়া ওপনা গোরয়ায় হিক হিক লাওনা কপ
বিষ্ণুপ্রিয়া খাংহল্লে বিরে থক থক শিন্নে
বিষ্ণুপ্রিয়া উবদা গৌরচন্দ্র থক্কল্লে।
হায়জরক্লে প্রিয়ানা অত্তাবগা লোইননা;
কেদৌরগে ইপুংদো অহানবশুম উইজেনা।
নিদ্র লাক্লে, ওসিদি নয়ন উইবা উদেনা:
নরম্মসিনা শক্তেদো শ্রী খাদোকতৌবোইন
নাবু নক্তরবদি শ্রীনা কয়ম লৈগনি:
নহ ক অসে এচীদি থবায়গাদি থজ্ঞারনি।
পাংলো মরু রোংখংসা যুক্তিল, যুইনা চোংদিসে
কদৌনিগে এহাক্তু অমঙ্গল কাইদা।
অহায়মক্তা মান্নবা ভাবো প্রিয়া হা হায়গে,
ভাবে মা থনগন্নু মচি ওইরবা হায়রক্লে।
অয়াবনু খাদোকলো শ্রীগোবিন্দ নিংজুনে:
নবু শ্রীনা খাদোকলোই অংংপদু হায়গে,
নক্ষ প্রেমগী লম ওইবা ফংননবা তৌগনি
শ্রীন নবু খাদোকলোই নবদ্বীপ্তা লৈগনি।

রাত্রি অসি তাবদা প্রিয়া যতন তৌবক্নে ;
ফিজি ফিজি পুনশিল্লি কজ্জায় অমা নক্সম্রে ।
চরণ অশিমক্কুদা ফিরা চেংনা পুনসিল্লি ;
থোংনা নৌবা শমজনা ওইগী খুংশ পুন্সিল্লি ।
যতন তৌনা প্রিয়াদো ওইওইননা ফংদা ;
থাওবা ওমদে নিদ্রাদো লাকনি হাযনা খল্লিনা
থোংনা নৌবা মাল্লিকা পবেংজুনা শল্লিল্লি ;
শচিনন্দা প্রিয়ানা খুং অনিনা কোনশিল্লি ।
নংগী পবেংমা শ্রীহস্তদা পুন্সিল্লি ;
প্রিয়াগীদি রাথন্না প্রভু হকশা কোন্সল্লি
পুন্নকশি উবদা গৌর রাগনা তৌবক্রে ,
করম তৌনা প্রিয়াসে শুয়র্নগে খল্লক্
কবি উপায় তৌবগা, করম তৌনা সংক্নি ।
শ্রীগৌররায় প্রভুনা খল্লি কাবি তৌগনি ।
ইচ্ছা শক্তি নিংশিংই, নিদ্রা হায়না কৌরক্ক
লাকলে নিদ্রা খুং লোম্নে, তাপা শকো হায়বক্ই
প্রভুনা হায কে নিদ্র, ঐ রা হাযগে অওইর
ওসি অহিং কৈদৌবে বিষ্ণুপ্রিয়া শান্দবা
বিষ্ণুপ্রিয়া শুমুদো পিল্লগা নগাক্নি :
বিষ্ণুপ্রিয়া চুম্নগা ঐনা নিংবা থুংগনি ।
রাত্রি অসি তাবদা নিদ্রা হেক্না যেংলক্নে
বিষ্ণুপ্রিয়া উইবক্নে নিদ্রা লাক্নে খংলক্নে

কঙ্গলবা খুৎতুনা মী লু অনি নোইরক্লে;
তমথিরবা নিদ্রানা অতুম্মক্তা উইরল্লে।
মীং অনিদি উইশল্লি রাখল খল্লি প্রিয়ানা;
বিষ্ণুপ্রিয়ানা হংগচৈ নিদ্রা লাক্লে খণ্ডুনা।
নিদ্রা দেবী তাবিযূ রা অমত্তা হায়জগে;
ঙসি আহুং শিদদি তুমদবরু ওইজগে।
সেনা যংগে প্রভুগী সুংশিবীমু নহাক্না;
হায়জবিয়ে নোল্লুক্না তাবিবোকো নহাক্না।
সংসারগী মনুংদা তুমহন্নবদি নহাক্নী;
ইমা নহাক লাক্নমু এদি তুম্মোই লৈগনি।
বিষ্ণুপ্রিয়া" নোল্লুকপা রাহৈ অসি তাবদা;
নিদ্রা দেবী হল্লক্লে প্রভুগীদি মনাক্তা।
থুং অনিদো লোম্নৈজ হজংচরে নিদ্রানা;
তাবিয়ুকো ইবুংঙো হঙ্গচ্চগে ননাইনা।
ইখোংমকপু পায়দুনা প্রিয়াশিনা হায়জবা;
খণ্ডবা ওমদে ননাইদি পিরাশিদা য়েংজবা।
হায়রবদি ইবুংঙো লেঙকৌখিনু প্রভুনা;
ইবুংঙোবু লৈতত্র"দি করম লৈনি ননাইনা।
রাহৈ অসি তাইদা প্রভু অমুক হায়রক্লে;
তাবো নিদ্রা রা হায়গে অচেংপত্রু হায়রক্লে।
বৃন্দাবনদা চংলনি মরম অদু ওঙহৌরো;
মরম সিদা য়েংবসু এনা হায়বা ইনখরো!

থিল্লগন্থু চংখয়ো বিষ্ণুপ্রিয়া মখিঙা ;
মতম য়ৌরে চংলনি খ৲ঙহৌবো মহাক্তা ।
য়াইং অসি তাবদা নিদ্রা অমুক কল্লরে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া মখিঙা নিদ্রা অমুক খৌবরে ।
নিদ্রা লাক্লে খঙহুনা হৌগ৫ুনা কক্সংক্লে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া নিদাদা অমুক হুন্না হায়বক্লে ।
ওসিসিদা চানবীবু চংলো ঐবু থাহুনা ;
নংখাংমকপু পাযহনা হায়ক্ষবিযে নোল্লুক্না ।
ঐনা হাযবা য়াদ্র'দি ঐসে শোইংবাই শিগনি
নুপী হাৎপা পাপ্তুদি নংদি শোইরোই ফংগনি ;
ঐনা হেকপু তুমখিবা মানা হেকপু চংখ্র'দি ;
ঐদি শোইবোই শিগনি খাগীদমক ঐহাক্তি ।
নংবু চংলো থাবকপা মীহু মংনা শ্নুবো ;
লাকও ঐগী লোইননা নংবু সেবা ফংজরো ।
অসি হায়বা তাবদা নিদ্রা দেবা থাদোকলে ;
কিবহুনা নিদ্রাদো প্রভু মাংদা থৌবকলে ।
মহাপ্রভু ভাবিবু হৃদয়দগে চবদা :
চংজগদবা কিক্সবে বিষ্ণুপ্রিয়া মনাক্তা ।
ভদি মংবু শুএগা প্রভু শোইবোই লেংখিনি ;
উগ্রবদা পিয়াদো শোযদনমক শিগনি ।
নুপী হাৎপা পাপ্তদি ননাই শুপা ওমজয়োই ;
মরম অসি লৈবনা ননাই চংবা ওমজয়োই ।

শুভুমা হায় তাবোকো নিদ্রা দেবী নহাকপু;
খঙন্দ নংসে হাকী যেন্নবীনি মহাকপু।
জীব পুম্বা নহাক্না মমীংতবু শুম্বদি;
ওসিদদি মৈদৌবে বিষ্ণুপ্রিয়া সুমত্রবদি।
বৃন্দাবনদা ঐহাকসে চংকে হায়না নিংবনি;
ঐনা নিংবা কায়বন্দি পুম্নশকসে মাংগনি।
মরম অসি লবনা চংলো নিদ্রা নহাক্না;
বিষ্ণুপ্রিয়া নমীংতা তুমহল্লুবো নহাক্না॥
মহ প্রভূগী মাথ দো করূপা উমজে নিদ্রানা।
মাইথোং মক্না হায়রকই অমুক হন্না নিদ্রানা।
অত্তা লৈবরনিনা ঐগী দোষ লৈতরে;
অরাবগা লোযননা নিদ্রা দেবী চংজরে।'
বিষ্ণুপ্রিয়া মমীংতো নিদ্রা হেক্তা চংলক্লে,
নিদ্রা লাকই খঙলক্লে তগুপ-তবং হৌগৎলে।
অমুক হন্না পিরানা হায়জববু হৌজরি;
তাবিযুকো নিদ্রাও হন্না হন্না হায়জ'রি।
নহাক অসি ঐহাকী মেংবিতুম থইবেদো;
থুৎপু মনি লোনজে হন্না হন্না হায়জদো।
হায় জ হায়বা অহ'ভাই নিদ্রা দেবী যাখিদে;
প্রভু য়াখং পুবদা প্রিয়া বাহৈ তাখিদে।
হায়রগনু প্রিয়াও ঐদি খাংবা ওমন্দক্লো।
নিদ্রা য়াহি ভাবদা অরাবদা থইংক্লো॥

অমুক হয়া চায়দরে তুমমদুম লৈখরে ;
মতম অশিমত্তুদা বিষ্ণুপ্রিয়া উইথরে।
মীত্তা কয়া নোইরক্লে অরাবগা লোইননা ;
ভগথিরবী নিত্রানা লৈখরেদো লেংদনা।
রাহৈ অসি হায়দুনা খুজিনা শুই লাইবক্তা ;
কণ্ডরবী চৎখরো লৈরগনু নহাক্তা।
হায়না হায়না নিত্রানা থাদোকখিদে প্রিয়াবু ;
মিং অনিদো উইরক্লে ভংজদরে খাঙববু।
নিদ্রা চংক্লে খঙলক্লে অরাবদা ওইরক্লে ;
কপ্পদুনা প্রিয়ানা প্রভু চরন কোল্লক্লে।
পানা ঙাংবা চরনা যতন তৌনা প্রিয়ানা ;
শয়া অমুক য়েংশিল্লে খুংনা অমুক কোন্দুনা।
খুদুম চনগ্রে নিদ্রানা চরণ খক্তা তুরক্লে ;
মিং অনিদো উইশল্লে অসিবগুম তুয়ক্লে।
ঙরবদা প্রভুনা অমুক হায়রে নিত্রাদা ;
অমুক চংলো নহাক্তা তুক্কচ্চুরো ইমাদা।
অমুক হয়া নিত্রাদো লাক্লে পুক্লিং রাহুনা।
খোংজিন নাক্তা কমুশ্মি শচী পুক্লিং রাহুনা ;
মতম সিদা থুংললে শচী কয়া তুমলক্লে ;
অমুক চংলে নিত্রানা প্রভু অজ্ঞা রপুক্লে।
রজাঙ্গ মীশিংদো খোং খোংনমক তুমহল্লে ;
অদুগা তৌনা নদিয়া পুম্নমক্পু তুমখরে।

মহাপ্রভু 'নুক্তি'দি হৌগংতুনা চেনখরে ;
বিষ্ণু প্রিয়া খুঙ্গুনা কোন্দুনতা লৈবমলে।
শয়া পুনবা উবদা তপনা তপনা থোক্লকই ;
কবিমত্তা তাদবে নিদ্রা দেবী শুম্মকই।
তৎপ তরাং প্রভুনা চৎকে হায়না খল্লম্মী ;
ফিজি পুনবা উবদা লাওতক্লবম্মী।
ফৈজোম তম্মাই শেগাইবে কিশি থোক্তে থনম্মী,
বিষ্ণু প্রিয়া তাখিদে তুমখবনা ওমলম্মী।
মহাপ্রভ হকচাংনা শয্যাগী কুমথরে ;
হকচাং পৎপা কিরোন্দো খোংপু খোংনা সৌথোক্লে।
কে'কী লুহুপ লৌথোক্লে খুজি তামশু লৌথোক্লে ;
শয্যাগীদি মথক্তা যতম তৌমা থনমলে।
প্রিয়া মাইখোং থম্বালদা চুম্বক মণি পিবীরে ;
ভাগবতপু লৌখংলে হয়া হয়া খুরুমলে।
কোক্তা হাপলে ভাগবত হিক হিক লাওনা কপ্লক্লে ;
প্রিয়া অমুক যেংলকই নুংশিহনা কপপক্লে।
তাক্তা য়েংপা নমথাদো অমুক হয়া কুপপিবে ;
বিষ্ণুপ্রিয়া মাইথোংদো য়েংনুহনা কপখবে।
আন মরি খোথাংদো লেংখোকলকলে প্রভুনা,
থোংগী মনাক য়োরকলে পৌবোন হাংলে প্রভুনা।
খোদা অমুক কপ্লকলে য়েংকী স্বর য়েংলকলে ;
হরি হরি লোন্দুনা য়েংকী খোংনা থাংলকলে।

‘প্রভুনা [illegible]’

হে গোবিন্দজি: হে গোপীনাথজি:
হে বৃন্দাবন চন্দ্রজি:
মোর বাঞ্ছাপূর্ণ কর কৃষ্ণ দয়াময়।
অসি হায়না প্রভুদো লেংথোকলবদে [illegible]মদী,
লাইগী [illegible] ঈশ্বরদা হবাওনবে স্বর্গগী
মপাল যৌবন [illegible] [illegible]নি’ তমুক [illegible]কই।
তুম্বী বনি [illegible]য়ামি পুভ অমুক যেং[illegible]কই।
সিবু এনা [illegible] মঙ্গল ওইনি নিংদবে
[illegible] শিনবী হৌগংদো চংদে নংদি লৈহৌরে
[illegible]সিগী উৎবোহ নংবু [illegible] [illegible]সদা;
[illegible]বিবদা [illegible] [illegible] [illegible] তুম্মিদা।
[illegible] [illegible]কপু বিদায় পিরে নহায়া
মা[illegible] থ[illegible] নহাক্কা বিদায় পীবো [illegible]
মতমনিদা গৌরাঙ্গ শচী [illegible] নিংঙকই,
শচী যুমদ প্রভুনা থ[illegible] য়া[illegible] [illegible]কই
[illegible] লৈনা মাইগদা [illegible] খুরুম্না,
কপ্লহনা [illegible] ইমা ইমা কো[illegible]:
হেবো হেবো ইমাও বিদায় পিয়ো নচাদা
এনা তৌবা মোযবু নোবিবন্থ ইমানা।
অঞ্জ[illegible]পু বৈরকই ত[illegible]দরে শচীনা;
কপনা [illegible] হায়বকই শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা।

ইমা নংগী কৃপানা ফংজরবা লেহেনা ;
কৃষ্ণ দাস ওইকগে সন্ন্যাসবু তৌহনা ।
কপ্না কপ্না প্রভুনা নদীয়াদা কাইবক্লে ;
য়ুমথোং খুদিং প্রভুনা থোংজিন থোংজিন লেপ্লক্লে ।
হৌরো হৌয়ো নদীয়া ঐদি চৎলে লৈহৌরো ;
গুমথিবমা মিত্রানা অমত্তস্ তাদরে
অহিং তরেৎ তিন্মনা ভুমথিবগুম তাদরে ;
কপনা কপনা লেংলক্লে প্রভু পুক্লিং বাথরে।
অহিংগীদি মমদা চিংনদনা লেংলক্লে ;
যনবী অমা লেঙ্গ্না শঙহৌদন লৈয়মলে ।
গৌবচন্দ্র উবদা যনবীত্না খনবনি ;
ওসিদগী হৌহ্না শচী মাইদি মমনি ।
বাখল অসি তৌহ্না যনবী অসি কপ্লক্লে ;
খংহৌদনা পুক্লিংদা মচাগুমা শল্লক্লে ।
অনি মথি গুদনা মতোমদা ওাইজবা ;
অহিং'সিদা চৎপ্রগা কয়ম তৌনা লৈহৌবা ।
খল্লুরগা যনবীদো হম্বা হম্বা খোংলক্লে ;
খোংবা অহু তাবদা পুক্লীং অমুক শাংলক্লে ।
শচী মাতা ইমানা অ'সগুম্বা কৌননি ;
মাদি অচা কংলগা বপ্ন অসি তোকখিনি ।
শচি মাতা ইমাদি ঐবু উবা কংলরোই ;
খল্লুবগা প্রভুদো যুইনা কক্কই ।

ঋেমণী থারা শিন্থবা সুরধুনী গঙ্গাগুম ;
মিংলুদগী তারক্লে পীনা গঙ্গা ঈশিংগুম ।
রাথল অসি থন্দুনা অসুম তৌনা লেংলক্লে ;
ভারতীগী মনাঙ্গা অপম তৌনা থ ু লরে।
গৌরাঙ্গবু উবদা ভারতীদো হৌগংলে ; ,
তারক্লিবা মগীদো প্রভু হেক্তা তৈথোক্লে ।
চৈতগুগুম্না থরুম্মী হৌরজ ুনা হায়রকই ;
থন ুা য়াংনা চংলনি ঐবু পুরো গোবাই ।
ভারতীনা হায়রকই তারো নিমাই রা ঐগী ;
নংমা লাক্লিবসিবু বিদায় লৌত্রা ইমাগী ।
রাহৈ অসি ভাবদা হঙ্গংলক্লে প্রভুনা ;
ভুমথিবগী মরম্মা বিদায় পিদে ইমানা.।
অহন্নকপু কৌহনা ঐনা বিদায় নিরদা ;
হোইনি মাইাম খুমক্তে মতমঙ্গদা ঐঙোন্দা।
ভারতিনা হায়রকই গৌর কত্তে মঙ্গদি ;
নংবু চংলো ইমানা কত্তে বিদায় পিত্রদি !
হায়রুত্রদি নমাবু সন্নাসবু তৌহৈদে ;
হৌজিক অমুক চংলুচো নংনা নিংবা হায়রুনে।
দোষ অমা লেন্নরোই অঙ্গা লৌরু নহাক্লা ;
রাহৈ অসি ভাবদা অমুক হায়রে গৌরনা।
ইমা থেম্বা হায়বহ্ন থোইনা হেন্না বাথরে ;
ঐবু তোক্লো হায়বনি থোইনা হেন্না থংজরে।

তাররক্ত'দি ইমানা শাদোক্লরো'ই ঐহাকপু,
ইথমতা পোকপনি অনি শুদে ঐহাকপু।
অমুক হমা ইমানা বিদায় পিরোই ঐখোন্দা;
কংকপমু ইরবোই খঙ্লে ঐগী কা ইবক্তা।
ঐন নিংব থুংহমু তমকবনি খঙ্জরে;
ভারতীনা হায়রকই মতিক চাবা খঙদরে।
ইমা অজ্ঞা লৈত্র'দি মঙ্গল ওইবা হৌনদে;
নতোমতবু পোকপনি অনিগুবা নংচদে।
নংবু চনী নমানা ঐনা নংবু পুর'দি:
য়াম্ন চুনা মথুংনা শোয়রোই শাপ্‌প তৌবদি।
ফংনি নৈনা শোয়দনা নংবু পুবা ঐহাক্লা;
মরম অসি লৈবেদো অজ্ঞা তৌরু মহাক্লা।
পুক্ষমকপু খঙ্‌লবা নহাক্তনা ওইবনি;
মমা অজ্ঞা লৈত্রদি সন্ন্যাস করম ওইগনি।
সংন্যাস তৌগে খর'দি চেকলু থুনা লৌরুচো;
থুনা অমুক হন্লকখো ইমা অজ্ঞা লৌরুচো।
নংনা ভুম্বা তৌবগা বিদায় লৌরু ইমাদা;
অমুক লাকউ নহাক্লা মথম অসিমক্তদা।
মাহৈ অসি তাবদা গৌরহরি রাথরে;
পুরিং রাথল তৌদ্লনা অমুক হমা লাকচরে;
মতম অসিমক্তদা থুংজররে মমুমদা;
খোংজিল্লমক লেপ্পনা রাথল তৌরে খুদক্ত

কবম তৌনা কৌশিগে থল্লকইদো নিমাইনা ;
ঐনা কবি তারগা হৌগংকনি ইমানা ।
রাখল অসা খো বে অসুম অসুম খনবদা ;
কোকিল শুব লৌহ্না কৌবা হৌবে কান্দুদা।
ইমা ইমা কৌবকই শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা ,
তুমখিবগী মবম্মা শচীদেবী তাবেনা।
ইমা ইমা তুম্নরু বিদায় পিরো নচাদা ;
নচা ঐহাক চংলগে বিদায় পিবো ঐঙোন্দ
অম্মাবগা লেমননা তুমখিবদা তাদেদো ;
কোকিলগুম্না খঙ্কে নুংশিরবা খে ঙনদো।
শচীনা হায়মে কোকিল' সিদা কাব খোংলিবা
নংনা পাম্না নফমদা খোংনু হেল' নহাক্না
রাহৈ অসি তাবদা মপাল অমুক খোব্রক্লে ;
সাক্ষি ওইরো নুমিং থা থুং অনিদো লোল্লক্লে
জুসি ঐবু ইমানা চংলো হায়না তাকপিবে ,
মাগং থাবু খঙহৌবো ইমা বিদায় লৌজবে
অমুক চন প্রভুদো অসুম অসুম থল্লকই ,
তুম্মিমনি ইমা করি' মতা থডলিরোই।
অহল্লালকপু ওইব' দি ঐগী লোয় লৈরোই ,
রাখল অসি তৌহ্না অমুক হম লেপলকই।
ইমা ইমা চৌগংলো বিদায পিরো নচাদা ;
ঙবোম শারোন তাবক্লে কোকিল্লিকো থল্লেদা।

শচীনা হায় হে কোকিল সিদা কহি খোংলিবা ;
কৃষ্ণ লৈবা মফমদা পাইখৎরো ঙাক্লা ?
অমুক হয়া গৌরাঙ্গ লাংদা সাক্ষি পিরক্লে ;
ঐবু চৎলো হায়দুনা ইমা' বিদায় পিরক্লে ।
অমুক হয়া নিমাইনা খোংজিল নাক্না খেপ্পক্লে ;
বিদায় পিরো ইমানা হয়া হয়া হায়রক্লে ।
শচীনা হায় হেক্তক কিল অমুক হয়া খোংলমু ।
বৃন্দাবনদা পাইখরো অসিদদি খোঙলমু ।
অমুক হয়া প্রভুনা মুংশিং সাক্ষি থমলক্লে ;
কপনা কপনা গৌরনা অমুক হয়া হায়বক্লে ।
নখোয়া শ্রীনা খংদৌবো হৌজিক বিদায় কংজরে ;
পুং শদবা মতৌশুম চৎলো হায়না তাকপিরে ।
রাখল লেবা ইমাগী মচা ওইবা কংবদি ;
হরায়রক্লা তস্বাম সন্ন্যাসব, তৌরনি ।
অঙ্গা লৌর' তুংতুদা গৌরাঙ্গনা চৎলক্লে ;
ভারতীগী মনাক্তা প্রভু অমুক য়ৌরক্লে ;
খুংগু অনি লোম জ হঙ্গচরে প্রভুনা ;
ইমা অঙ্গা লৌক্লরে অমুক হয়া লেংসিনা ।
ভারতীনা হায়রকই গৌর প্রভু ফরেদা ;
হৌজিক থুনা চৎলসি থবক লৈতে অসিদা ।
অসি হায়বে ভারতীকী তগুপ তাক্লং হৌগৎজি ;
য়ুবী খুঙ্গাই চৈগা প্রভু খুত্তা পাংহল্লি ।

ভারতীনা হায়রকই প্রভু রা'ম' হায়জগে ;
সন্ন্যাসকী মরমদা বাহৈ খরা হুজংবে ।
মায়াকীদি মরমদা পুক্নিং চংলোইদবনি ;
শচী ইমা অদুনা নহাকীদি ব্রাগনি ।
নংবু উদরবদা খোইনা হেন্না কপকনি ;
বিষ্ণুপ্রিয়া ইমৌশু মখোক কারকলিবীনি ।
কুমিৎ অমা মহাকপু উত্রবদা শিবগুম ;
ভানা হিংলি ঈশিংদা মাগী ওইরি থব্রাইগুম ।
নংগী নরমগী দ.ক নিত্যানন্দময়াখা ;
নংবু উদরবদা কপ্পা কপ্পা কোইরিবা ।
চাম্নরবা অতোপ্পা ভক্ত হরিদাসশিং ;
নংবু উদরবদা কপ চংনি মখোইশিং
শুংঙাইরবা নদীয়া নংনা লৈজরুবদা ;
নদীয়ানা বাক্তরি নংবু নত্তরবদা ।
পুরুমকসে মায়ানি কাঙরগদো নহাক্না
হায়রিবসে তোগনি মায়াশিবু কাউত্রুনা
গৌরাঙ্গনা হায়রকই মরম অহু ভৌজনি ;
মায়া থারে হায়দুনা নংগী নাক্তা লাকপনি ।
হায়রিবসে চিনগু মরম পুম্বা গোথাইনা ;
থিল্লগুমসি লেংঙসি বারম অমা লৈতেনা ।
ভারতীতা হায়রকই নংবু পুবা কিজেদা ;
গৌরাঙ্গনা হায়রকই করি'মত্তা কিন্নুদা ।

অসিদগী চিংঙৈমক নদিয়াবু লাম্থোকসি ;
নোংমা ওল্লুবা ওইরদি মথমসিদা লৈবসি।
কিরে চৎসি হৌজিকমক নদীযানা উৎদি ;
কাহুনহুম থমখিনি থাবমোইদা ননাইদি
নদ য়ানা উত্রিঙৈ চংহৌবসি বিদেশদা ;
থাহি অসি তাবদা মপু মনাই লাকইদা।
তুংদা লেংই গৌরাঙ্গনা অর্রাবগা লোইননা
মাংদা লেংই ভারতী নিঙ্ঙাইববু লৈতনা।
হন্না য়েংই নদীয়া পূক্লিং লাংতক্লবকই ,
ঘণবী অমা লৈহৌবা খঙ্ হৌদন থল্লকই।
অহিং থেংলপ তৌবদা বণবী মচা কৌহৌবা ;
কল্লক্লেদো প্রভুদো মতমকপু নিংলুবা।
ভারতীনা হায়রকই মতাক খজিক চাফাদুনা ,
কবিগীবু কপপগে মান্না অমুক নিংফদে।
গৌরাঙ্গনা হায়রকই তাবিযুকো গোসাই
এনা শাকপা মতমদা করিংগ্না উবুকই।
ঘণবী অমা লৈরম্মী মচাশীদি কপ্পম্মী ;
অহুবুদি নিংছনা হৌজিক এমা কপপম্মী।
শচী কৌবী ইমাবা বণবীওম্ কপকনি ,
ইমা এবু ফংলম্রোই ঘণবা মচা ফং থাব।
মতৌ করম লৈগনি লাইবক শিবী ইমাহি ,
মসি খল্লুব সদা থোইনা হেমা থাবনি।

হায়রম্লগা তুখরে ইমা ইমা কৌবক্লে ;
কদায়দবু লৈরিবা ঐদি সিদা ল কচরে।
নংবু থাদো ক্লম্নগা অতোম্বদা লাক্লেদা ,
রাহৈ অসি তাবদা ভারতীনা কো'ল্লেদা।
থেমজিন্নক্লে মহাকপ্ত মায়ানি হায়বা খণ্ডহল্লে ।
মায়াদবু লৈব'দি সম্যাসদি তোকলকলে ।
কাম, ক্রোধ, অমদি লোভ মোহ মরিসে ,
থাদোক্তব ওইর'দি কৃষ্ণ ভক্তি য়াদেসে ।
পুম্নমকপু খণ্ডলবা ঈশ্বর'দ নহাক্নি ,
থুনা যাংনা চংলসি মায়া লাপ্না ইন্থোকনি ,
রাহৈ অসি তাবদা কপপা তোকলে প্রভুদো ,
অমুক চংলে লাপতক্লা নদীয়াদো উক্লেদো।
হয়া হয়া য়েংলকই গৌর হরি রাখরে ,
মমতক মমতক লৈহোই খল্লুবদা মু শিবে !
অস্নুম অস্নুম খল্লগা রাখল অমা পোক্লকলে
চৌজিক ঐনা লাকলেদো অসি হায়না য়ে লকই
মুংঙাইবনি নদীয়া লৈহোরেকো থৌজিক্ক ,
মতৌ কয়ম তৌহুনা থৌজিক লৈনি ঐহাক্ক ।
অরাবনি নবদ্বীপ হায়রম্নগা কপ্পকলে ,
মুংঙাইবনি নবদ্বীপ অম্নম হায়না কৌখক্লে ।
অরাবনি মরুপশিং উদ্রবদা ঐহাক্লা ,
তাদ নিত্যানন্দপ্র হরিদাস ভক্তনা ।

কদাইরাইদা লৈহৌরে মুকুন্দ শ্রীবাসনা ।
দুঃচাইবদি চৎখিদে থোইনা হায়রে নোংক্লা ।
ঐবু উদ্রকান্দদা মখোই খোইনা হ্লাগনি ;
ঐতংদা উরগা খোইনা হেম্না পেনবনি ।
লম্বীদা ঐ কৌরিনি ; তাদ নিত্যানন্দনা
হরিদাস, শ্রীবাস মরুপ মপং শিংছনা ।
সঙ্কীর্ত্তনবু তোঙ্গুনা কৌনা কপ্পরমগনি ;
খল্লুরগা প্রভুদো পুক্লিং লাংতক্কবনি ।
হা হা তাম নিত্যাই কদাইবাইদা লৈহৌরে ;
থা মাইখোংবু উদ্রবদা ডমদরে !
বিষ্ণুপ্রিয়া চায়বি, নহাক কদায় লৈহৌরে ;
সিররিস্র প্রিয়াদো ঐনা খোইনা বাখরে ।
লাইবক থিবী ইমা ও মতৌ করম লৈহৌরে ;
কৌরম্লগা, প্রভুদো অশিবগুম ভুখরে ।
চেশিন্দুনা কোনখৎলি, ভারতীগী ডম্পাক্তা ;
করি তৌরে গৌরাঙ্গ, তাওরেদনা নহাক্কা ।
পুক্লিং চেংপা ডমক্র'দি সন্ন্যাসদি য়ামরোই ,
সন্ন্যাসবু থল্ল দি মামা কাওরোকো নিমাই ।
কৌতিক করি খপ্পীবা, ওন্ থোইছনা নহাক্কা ;
মীয়দব লৈর'দি, য়ারোই মীকুনা ।
মখোয় পুংশিন্নবদি, চংদো নিমাই নহুমেদা ;
লোইনিছনা নমাদা পুংতাইনবু লৈকদা ।

ম্নাহৈ অসি তাবদা কপ্পা তোক্লে প্রভুদো ;
খুৎ অনিদো লোম্নৈক নোম্নুক্রবু হায়জৈদো ।
মায়াদদি পোকপনি ; মায়াদদি লৈরেদো :
ক'দৌরগা লানগনি মায়াদগী ওইবদো ।
গুরু থৌজাল লৈবগা কৃষ্ণ থৌজানবাগনি ,
মরম অসি লৈবনা গুরু ! থৌজানবীগনি ।
মরম অসি লৈরেদো ঐবু গোঁসাই চানবীয়ু ,
ননাই ঐনা নিজবা থুমনা পিনবীয়ু ।
ম্নাহৈ অসি তাবদা ওইবসু পিবিরে ;
অমুক হন্না মখোয়নি অশুম অশুম চংলক্লে ।
অহিং অসি লেপ্লকে নোঙাল্লবদায় য়ৌবক্লে ,
অমুম অশুম লাকপনা কৃষ্ণনগর থুংলক্লে ।
বিষ্ণুপ্রিয়া অসোমদা মঙকাপ্পুনরে কান্দুদা ,
কুচু চৌবা সন্ন্যাসী অমা লাক্লে মঙহুদা ।
প্রিয়া নংদি তুমহনা অহিং লেপ্লি মুংঙাইনা :
অহি সিদা লেংখরে নংবু থাদোক্লমহনা ।
চঙপ তরাং হৌগংলে খুৎনা হায়না খিরক্লে ,
হাংজখৎ উরগা কোক্ল খুংপু থান্দংলে ।
নরাইথক্ত আকাশ কিম্বশুম বারক্লে ;
কুপচরক্লে প্রিয়াদো প্রাণনাথ কৌরক্লে ।
অয়াবনি দা বিদ্ধি অশুক থিনা তৈবিবা ,
মপোকলিপী অয়াবা ওইরো হায়না ইবিবা ।

মহাপ্রভুবা অধ্যায় শ্রীগৌরচন্দ্রনা শ্রীগুরু কেশব ভারতী গোসাইদগী সন্ন্যাস মন্ত্র লৌরগা, মিংনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য সন্ন্যাস ভাগপি, থোনখিবা অধ্যায়নি ।

খুরুমজরি শ্রীচৈতন্য খুরুমজরি নিত্যানন্দ ,
খুরুমজরি অদ্বৈত খুরুমজরি গৌরভক্ত ।
অগৰ্ম অমুব চংলক্লে ভারতীগা লোইননা ;
সুরধুনী য়ৌরক্লে নোংঙাল্লবা কান্দুদা ।
সুরধুনী মপান্দুদা ফজবা উ হৌরগা ;
নিংথিজবা গৌরাঙ্গ উখোংতুদা কল্লখী ।
সুরধুনী মপান্দা দণ্ড মরি হৌথরে ;
মুখী ময়াম লাক্লমী ঈশিং শোক্লে থজরে ।
থঙহৌদনা গৌরগী ফজবহু উরকই ;
মিংক্ষম হোংবা য়াখিদে উরুবদা থমকই ।
কনা কনা য়েংঙকই কনা ঈশিং শোকইদো ;
কন অমা চংখিদো, কনা অমা লাকইদো ।
য়াডাংনবা কাওনখি মীংক্ষম হোংবা য়াখিদে ;
গৌরাঙ্গগী রূপতুদা পুক্নীং লুপখি হল্লক্লে ।
উবা ফংবা মুরতী, থবাই লৈবা কাওইদা ,
মূর্ত্তি অসি উজবা লাইবক ক্ষরে থনখিদা ।
মপী অমা ময়ামদা বাহৈ থবা হায়রকই ;
য়েংউ তুম্ভ হায়তুনা পুদোকী মিল্লকই ।

অসিঙম্বা মুত্তিসে উহিদরি মথক্তা ;
থ্রেখোই লাইবক কবনা উকরেদা ঙসিন্দা ।
য়ুমদা চিংথৈ চৎনগা অকক হেক্তা চন্নবশি ;
পিরবনি বিধিনা মুত্তি অসি মেংহৌশি ।
ব্রাহে অসি ভাবদা ন্তপী পুম্বা হরাওখি ;
ময়ুম ময়ুম য়ৌবনা হোবে হোবে চৎলখি ।
স্বর চাওনা হোন্দুনা ময়ুম ময়ুম চঙনখি ;
শকতম উবা মীশিংনা মহৈ মহৈ হংঙকই ।
ঈশিং শোকপা চৎচ.গা তথক তথক কৈদৌরে ;
অঙাওবীংব লাকপদি কবি কবি ওক্লরে ।
স্তুপীশিংনা খুম্মকই কবি করম তমসিনা ;
খুমকমবুদি খঙদরে কমদৌনবু হায়সিনা ।
সনাবুদি ঙমজবা মীওই অমা উরকই ,
মাগী কুচু মঙাম্না মাইপেশিন্না ভাল্লম্মী ।
মাগী কুচু উবদা ইকাই চুমিং মগাম্মা ;
স্বরধুনী মপান্দা লৈহৌরেদো খরাইনা ।
অমুক ইম্মা চত্তুনা য়েংজুগদি থ্রৈহাক্লা ;
মখোয়শিংদো থঙহল্লি ব্রাহ্মে অসি হায়দুনা ।
অমুক চত্না চেল্লবই য়েংনিবগী ব্রাহ্মা ;
স্বরধুনী মপান্দা য়ৌরে য়েংনি লেপ্তুনা ।
গৌরাঙ্গগী কণ্ডবু উজবদা পেনখরে
মিংপু শেগা বিধিনা অতাংবম্মা ওইজরে ॥

অচিকপদা কমজুনা বিধিমংনা শাবরা ;
ওইখোঞ্জবা মুংসে ওইঙ্গদবা শেম্বরা ।
মুনি অমি উবদা ঐগোর পুক্নিং হরাওরে ;
রইহে অসি হায়দুনা কুপ্শিংদো য়েংজরে ।
থাবু মানবা মাইথোংদো য়েংলদুনা লৈনখি ।
কাঞ্চন নগরশিং পবাই লৈবা কাওনখি ।
গৌরাঙ্গগী রূপহংপদো নিংশিংদুনা কৈখিদা ,
মহাপ্রভু হল্লক্লে ভারতীগী মমাংদা ।
ভারতীনা হায়রকই গৌরহরি তারেকো ;
নাপেং কৌরু নহাক্কী লোইনদুনা কাকউকো ।
রাইহে অসি তাবদা গৌরহরি লেংলক্লে ;
নাপেং ময়ুম য়ৌরক্লে নাপেং লৈত্রা হংলক্লে ।
প্রভুর অনি য়েংদুনা শমত্ত কোক্তে হল্লক্লে ;
ঈরুজবে নাপেংতো চাগে হায়না কম্মক্লে ।
মতমহুদা প্রভুনা নপেং হায়না কৌরক্লে ;
কৌবা তাবা কন্দুদা নাপেং ফুইনা শাওরক্লে ।
শাওরদুনা নাপেংতো খোঞ্জেন রাংনা লাওরকপা ;
কনাগীদি মচানো মধু হায়না কৌবিবা ।
হায়জরকই প্রভুনা শাউরু মধু ঐহাক্কী ;
দে যা অমা তাদুনা লাইরজব ঐহাক্কী ।
লাইরুজবা ঐহাক্না হায়দুনকো তাবিরু
হুংশিবীরু ঐহাকপু ইশম অসি ককপির ।

রাট্রে অসি তাবদা থোইনা কেয়া শাওগনে ,
মাদা চাবা পুথমদো থক্লে চৈতুপ পাম্বুগনে ।
নকোক অহু থুগ্যাইগে, শক্কিঙ্‌না লাকপবা
ভুসি সোইবোই লৈবক্ক, চৈতুপ অসি উবরা ।
চৈতুপ থুংনা পাইহুনা, মধু হেক্কা চেনক্রে ,
গৌর রূপপু উবদ , চপগ্ন লেপ্প প যেঙক্লে ।
মধু পোকপি মমাসে ভ্তানহু য়াম্না চংথোক্লি
নচা শাওবা উবদা রাক্রংলা চেমশিল্লি ।
ভাইগো মধ হায়রুহুনা, মাং ওইনগা নোংশকই
ংচী মধু প হুরগা থোংনা লেংনা হায়রুমই ।

মধুমাতা বিলাপ

য়ংউ অভাংগী কাপশে ববনিবু ভমজন ।
চুমথাঙ্‌না নোংথাবু, বিধিবু শেমজবা ।
শাকচবগী কাবরে মাইথোং অসি উবকা ,
কঙ্গুরগা নহাকপু ঐনা করম পোকখিবা ।
যদি ওইবোই থাজবা ইশ্বরগী লক্ষণনি
খুনা বাদে ইচানা ঐকাক চাবা শকচনি ।
ফুবা বাদে চৈহুনা অভাগীদি মশাদা ,
ংনিদগী হেরবু শোইইদোক্রব্, থোংশিদা ।
নং বজ্রগুয়বা চৈনা করম থাঙ্গনি ,
মমাগী রা ভাবদা, থোইদোক্ল ইকাইবনি ।

৫ তাখরে খুজেংগী খঙ্গোইদনা লৈবাক্তা
গৌরাঙ্গবু উবদা খাংবা লেকতরেদা ;
খিংলু অনিমক্তগী লীলা মথং শিঙ্গরে ;
মধুমাতা কংক্লে চিংনা য়েংই হংজবে ।
কদাইদগী লাক্কপনো শে না ভম্মু ঐভোঙ্গা ,
নপা নমা কনানো নমিং অচুক হায়রু
দেশ খুঙং করখা নংগী মথদি উদরি ।
অমাং অশুক ফজবা মফম কৈনা উদরি ।
হায়রু বাপু অচুম্বা করিবোবা লাকপগে
মধুমাতা ত্রিবিধ্রু মরম অচু হায়জগে ।
শচীরাণী ইমানি জগন্নাথনা ইপানি ,
মিশ্র শাগেদা পোকপনি নদীয়াদা লৈবনি
কৃষ্ণদাস গৌরাঙ্গ অশুম হায়না খোজিদা ,
নদীয়ানা খোনবদি নিমাই হায়না কৌবেদা ।
শচীদি মচানি সন্ন্যাসবু থজরে ,
মধুমাতা তাবদা প্রভু মথং পাইজরে ।
খাজোরবোই ঐহাক্কা পিলি মাগী ভঙ্গাঙ্গা ,
বিশ্বম্ভর হৌজসি নমাগীদি মমাঙ্গা ।
লাইবক্ক থিবী নমাদো ঐগা চপ্পু মাঙ্কেক
নংবু ঐনা কংজগা কৈদৌবেদা খারোইক্কো ।
মাইহে অসি তাবদা প্রভুনা খোইনা কাপরে ,
ইমানবু উবগা ঐদি খারোই শোইদরে ।

ওহে মধু তাবিয়ু ঐনা নিংবা থুংহল্লু ;
ইরুক অসি কোক্তুনা সন্ন্যাসবু ওইহল্লু ।
মধু পুক্নিং শাংভাক্লে রাহে অসি তাবদা ;
রাহে থর হায়রকলে গৌরাঙ্গনা মকমদা ।
মধুঃ মধুঃ লোয়নবে কথা কথা হায়রকে ;
মদু ওইরি ইবুংঙো করি নিংবা থুংদবে ।
সন্ন্যাসগী মরমদে কনা নংবু ইমশিল্লি ;
শচীমাতা ইমাবু করি লাইবক থিহল্লি ।
প্রাণবু মাংনি ইমাদি সন্ন্যাসবু তৌরদি ,
নখম ককপা ভমরোই করিগুম্বা কান্দদি ।
নংবু পুরে হায়রবা হৌজিক ঐনা চংকনি
ইমা শচী তম্পাক্তা নংবু ঐনা পিগনি ।
শচী মরম শচীদা পিরম্মা লাক্কেনা ;
রাহে অসি তাবদা হায়জরক্কে প্রভুনা ।
অদা মধু তাবিয়ু রাহে থর হায়রগে ;
ঐনা নিংবা থুংজগে সন্ন্যাসবু তৌজগে
বিরুক্কবু ঈশ্বরদি, পুম্নমক্পি মাংবতাই ,
মশাকখিন্না মরমদে তাকমধু খঙবতাই ।
ইরুক অসি কোকপিদো, ঐনা নিংবা থুংলগে
কৃষ্ণ প্রেমবু ফংনবা, সন্ন্যাসবু তৌরগে ।
কৃষ্ণ প্রেমবু ফংত্রবদি পুম্নমকসে মাংলনি ;
মধু অদুক হায়রকই, তারো ঐনা হায়রনি ।

নংগী মক্তোক অমুদা ইথুং থোংবা হায়রকপু ;
নককোকপা ওমজরোই ঐতোম্বদি হায়রম ।
কুপ্পা লংবা নথমদো ঐনা করম ককনি ;
অদুমকপু ককপদি কনানবু ওমগনি ।
লম্বু কুম্পা হায়শক নমুমদহৌম হল্লোকো ;
তাদ্বা মধু ককপিবু ঐবু মুংশিবিরুকো ।
ঐনা নিংবা থুংহন্দ্র মপোকশিনী কাইনবে ;
মধুনা হায় প্রভুনা, ঐবু করি পিগেগে ।
হায়না হায়রু প্রভুনা কোমা শম্বু ককচগে ;
প্রভুনা হায় তাবিবু করি লনবু পাথগে ।
বৃন্দাবনবু য়েংবা নংগা ঐনা চৎলগি ;
ঐখোয় অনি নৈকশি হরিদাস ওইকশি ।
অছু ওইরবদিনে নংত্রু ঐমু ফরেদো ,
হৌজিমকপু চৎলসি ইকরগি কোক্রেদো ।
নংবুত দ থম্নগে কৃষ্ণদাস ওইহুনা ;
রাহৈ অসি তাবদা মধু য়ারা হরাওনা ।
মপু মনাই লোইননা সুরধুনি যৌরক্লে ;
ভারতীনা হায়রকই, গৌরহরি লেংলকই ।
ইকুজর' গঙ্গাদা অমুক তাম্বা লাকউদো ;
সুরধুনি গঙ্গাদা অমুক থুনা চংলেদো ।
শম্বু কক্লে হায়রহুনা কমথরক্লে প্রভুনা ;
শম্বু কক্লে হায়রহুনা থুর পাম্লুবা মথুনা ।

গৌরাঙ্গগী রূপ্তু যেংলুবগা কপ্লক্লে
হা হা বিধি বিধাতা মাপেং মপোকসে তোনথবে
অসিগুম্বা কোকসিদা এরৈনা করম কল্লনি ,
কৃপা লংবা শমশিল্ল করম এরৈনা কোকনি ।
কবি দোষ তৌহ্নুনা মপোক অসি কংলবা ;
অমুক হায়রে প্রভুনা ঐগী বাবু তাবোবা ।
রংশগীদি হৌননি কবি দোষ লৈতেকো ;
কৃষ্ণগীদি কৃপানা পুংখাইবতা ওইনিকো ।
মরম অদুনা ওইবনি চিংনকপ নহারা ;
অদুমকপু কপ্লক্লে হায়জবক্লে মধুনা ।
ইবুংঙোগী শমশিল্ল কমা খুংনা ককনি ;
অমুক হায়রে প্রভুনা জতিগীদি হৌননি ।
রাহৈ অসি তাবদা হাজরকই মধুনা ;
অপরাধ ভাকপিয়ু কোকচবগে ননাইনা ।
নংগী সেবা তৌবগা করম মীগী তৌগনি ;
অদুমকন্থু হায়গদু তাদা নংগী নিতিনি ।
পাইথংলেদো মধুনা শিংগেং কোকা থম্মক্লে ,
অমুক কোকপা মাদরে. করি তৌরে হংলক্লে ।
রাহৈ তারে প্রভুনা মনাইবুদি খণ্ডহল্লে ;
রাধা নামদো নিংশিংউ মাত্রা রেউ হায়রক্লে ।
রাধা রাধা শোক্লক্লে খুরগীদি মরাদা ;
কপ্পা কপ্পা কোক্লক্লে প্রভুগীদি কোক্কুদা ।

কোকপা লোইরম কান্নুদা মখ ভিক্ষা কল্লক্লে ;
ঐনা মংবু কওজখা মহৈ থাক্লে থাগৎলে ।
দণ্ডবত্পু তৌদুনা, প্রভু চরণ কোল্লক্লে ,
বর পিগে খন্নূনা আশির্বাদ তৌরক্লে ।
নংনা নিংবা থুংজবে হায়না বর পিবিরে ;
মথু পিনা প্রভুনা চরণ সেবা তৌখবে ।
গঙ্গা কুম্ভে চাইথরে অমুক হন্না লেংলক্লে
ভরতীগী মংগাক্তা থংলহনা লেপ্লবে ।
ভারতীনা হায়রকই বিশ্বম্ভর ভাবোকো ,
ননিংতম্বা নহাক্কা স্বয়ং ভগবাননাকো ।
নংবু সন্ন্যাস তৌহনবা ঐগী পূর্ক্রং কিংবলে ,
সন্ন্যাস তৌবা মতমদি ওইদে নংনা হায়রক্লে
মথোক কাবা মতমদি হৌজক্তবু কল্লার :
হৌজকখকপু সন্ন্যাস নংনা তৌবা য়াদবি
চহি য়ংখ্রে হেল্লা।, সন্ন্যাসবু তৌগনি ;
হৌজিকসিদা নহাক্না সন্ন্যাস তৌবোইদবনি
নাহৈ অসি ভাবদ প্রভু থোইনা হবাওই
থুংপু অনি লোম্মনে গোবমাথনা হায়রকই
তাল্লিবুকো গোসাই মরম অত্র তাযবনি :
মাম্মা লক্তা লৈবনি ঐনা কহম খণ্ডনি ।
নংনা মরম তাকপিবু অহেংপনী মরমদো
নরমক্তোনা ওইগনি মাম্মা খাবা হায়রবদো:

শুক্লীং হকচাং অনিমা কক্ষতৌনা ঠেলগনি ;
কর্ণ মতুং ইন্দুনা খক্তহৌদনা চংথিনি।
চক্লি খ্যাংথে থৌগ্রিবৈ শিখিরবদি কমজৌনি ;
ঐগী নিংবা খুংজেদো হায়বীরিবসিনদি।
থুং অনিদো লেংরে নোল্লুক্না হায়বকই ;
ঐবু হুশিংইদুনা মস্ত্র পিরো হায়রকই।
রাঠৈ অসি তাবদা গোষাই থোইনা হরাওই ;
মস্ত্র পিগে হায়দুনা মরম অদু হায়রকই।
মৈগী মস্ত্র তৌরগা নগুণ অসি থাদোকনৈ ;
সন্ন্যাসকী মন্ত্রবু তগুনবু নিংশিংনৈ।
বহির্ব্বাস কৌপিনগী মন্ত্র অমুম নি শিংনৈ ;
য়েম্প্যাক চৈগু ভিক্ষাগী মন্ত্র অসি নিংশিংনৈ।
কেশব ভ রতীনা হৈবুংগোবু য়েংকই ;
মীংনা করি থোক্লগা লক্ষণ সিগা খল্লকই।
মতম সিমক্তদা জয় ধবনি লাউরকই ;
শ্রীশ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য সন্ন্যাসী চূড়ামণি হায়রকই।
স্বগ গীদি লাইশিংনা চৈতন্যবু থোল্লক্রে ;
প্রভু ইচ্ছা শক্তিনা লাইগুম্না থগুহল্লে।
য়ুবি খুজাই য়েংনা পাই ওইগী খুংনা চৈগু পাই।
বহির্ব্বাস কৌপিন্দো প্রভু খাংদা শেংচিলই।
তুলসী মণিংকী মালা প্রভু খুংতা পাইখবদে ;
কণ্ঠ লাই পুম্বনা হরি হরি খোল্লক্রে।

সন্ন্যাসবু ফংবদা প্রভু অহ্ হরাওই;
হরি হরি শোন্দুনা প্রভু জগোর শায়কই।
খুঙ্গং খুঙ্গং চৎলগা ভিক্ষা তৌবা হৌরক্রে;
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য জীবশিংদা লাওরক্রে।
হরি হবি শোল্লসি পাম্বোম রাংনা খাঙ্গৎলে;
হরি নাম্বু মৎহনা, জগৎসিদা লৈতরে।
পোংদুম পুবা নৎতেকো, তন্নবদি মাংজনি;
জীবগীদি অখোইবা হরি নাম্না মরম্নি।
লৈতরেকো লৈতরে হরি নামদগী হেনবদি
নোংমা ওইনি শোয়দনা, খঙহৌদনা চৎখিনি।
হিংবা শিবা অনিলো হরিনাম্না পাঙ্গম্নি;
মায়াগীদি ইপাক্তা শোয়বোই লাইনা লানগনি
জীব দেহে শেৎনবা কান্দুদবু ফংগনি;
হরি নাম্না হি ওইনি, রাধা নাম্না নৌ ওই ন
গুরু নাম্না হি হোনগা মায়াবুদি লানগনি;
লাকও লাকও জীবশিং ঐহাক্কবু লোইননি
নখুং নখুং তিংখোকউ কৃষ্ণ পিগে হরাওসি;
অসি হায়না লেংগকই শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুসি।
যুমখোং যুমখোং চঙকই ভিক্ষা ম'র ওইহনা;
যুমথোং যুমখোং চংহনা, প্রভু জগোর শ'রেনা।
পি। ভিক্ষা ইম'খোয় লায়রজবা ঐহাক্কি;
চাংদোহনা পিরা গুরু দক্ষিণা ওইজ'নি।

হ'রি হরি হায়তুনা পৌল্ল সিকো হায়রকই ;
ভাবতীপা লোইনবা নিনি হুমী লেগ্লকই ।
বৃন্দাবনবু চংলগে হায়না বিদায় লৌবক্লে ,
কৃষ্ণ কংদববদা ঐনা থোইনা রাবক্লে ।
মেংওইননা কোইবগা শ্রীগুরুবু খুংমলে ;
মা'দা লেপ্লে গোষাইগী প্রভু বিদায় লৌরক্লে ।
প্রেমদা মুইনা চঙলক্লে মাই'ক মকম খঙদবে :
তীর্থ কোইগে হায়তুনা মহাপ্রভু লেংলক্লে ।
নদীয়াদা প্রভুবু থিনদুনা রানখি;
কবি ভুপতী অসনা পদ ওইনা লেংজখি ।

মতাং অসিদা শ্রীশ্রী গৌরলীলামৃতগী অধ্যায় মহ গুরবগ নিনাইনা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌরগা মীংনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য থোন্দুং, কা জীবপু লানবীবা অসিগুম্বা শ্রীগৌরলীলামৃতবু শ্রীনিত্যানন্দদাস তোগ্রবা ইমা লোন্দা ইজবদি মতাং অসিদা লেপচবে ।

শনি পঞ্চালি

খুরুমজরি গৌরাঙ্গ প্রভু নিত্যানন্দবু ;
খুরুমজরি শ্রী অদ্বৈত প্রভু ভক্তশিংবু।
সরস্বতীগী শ্রীচরন্দা হয়া হয়া খুৎমজৈ ;
লাই পুত্রমকপুগু মনাইবা হয়া হয়া খুরুমজৈ।
নোললুক্লা পুনিগী চরণ শু খুরুমজরি ;
সভাগী চরণগী উকুলবু কোক্লা হাপচরি।
ইমা ইপাগী চরণবু কোকথক্তা হাপ্তুনা ;
শনি পঞ্চালিনিগী রাবু ইজরক্কেদনা।
তাংলবা পুরানমক্তা য়াওব্রবা মক্নি ;
মীনা খওব্রবা পুরান্দগী যদুনাথনা ইবনি
হরিনাম কৌবা বৈদিক ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী
মাগী মচা স্বৰ্ণর্ম্মা কৌবা অমা লৈরম্মী।
দেশ দেশদা লাইরিক তম্বিবা চংলক্লে ;
মাগী রাশিদা শনি প্রভুনা য়েংলক্লে।
মশাগী মতুং ইন্না মপা অহু শিরমই ;
চানবা লৈরক্তনা দেশ কোইরকই।
নোংমদি নিংথৌ অমগী মনাক্তা চওরকই ;
চানবা লৈতহনা নিংথৌদা নিজরকই।
নিংথৌ অহনা থায়রকই তারো হে গোথাই ;
মকম কদাইদগীনো করি ভৌবা লাকই।

মহারাজ ত্তাবিয় হায়জগে ননাইনা ;
মরোম অহুমদা কৈতে রাবা ঙৈগা মাংনা।
মুংঙাইনবগী বিদ্যা তম্বা হোংনরিঙেদা ;
ঐগী লাইবক্তা তমখিবসে খেংলা ওমদেদা।
চানবতদি নিত্তিগী নিংথৌনা পিবিরো,
অহুনদি গোষাই ঐ রা হায়গে তারো।
ইচাম্নুপা অনি লৈ লাইরিক তম্বীদনা ;
করে য়ানরে অঙাং অনি পুবরেদনা।
ব্রাহ্মণদা শিম্নরে লাইরিক তম্বা হৌরক্লে ;
ভাণ্ডার অনিদগী চেং হরাই পিজরক্লে।
নিত্তিগী নিংথৌমচা অনিমক লাইরিক তম্বিরে ;
ভাণ্ডারদগী ব্রাহ্মণগী চানবা পীরে।
নোংমদি শনিনা চেংশু হরাইশু হুখ্রে ;
মশম্মা চাক চাদ্রবদা খোইনম রাখ্রে।
মতৌশুম্না শনিনা নিতিমক্কী হুখ্রে ;
ময়াংশু কংলক্লে চৎপশু ওম্মকখ্রে।
উবদা শনি প্রভুনা মুংশিবীরক্লে ;
নোংমা মিপাময়া শাহুনা শনি লেংলক্লে।
শনিনা হায়রকই ব্রাহ্মণ ঐগী রাশে তারো
ব্রাহ্মণা ঐব লাইরিক থরা তম্বীরো।
কোয়া লন পিগে নবুক্তা থাজৌ চিংনগদ ;
ব্রাহ্মণা হায় ম্মুলদা লাকউ সিদা লাকনু।

শনিনা হায়রকই মসমসিনা ভজিরুমে ;
যাবিরে ব্রাহ্মিনা মসমসিনা লাকটনে।
উগী মখোংখা শনিদেব নিতিংনী লাকট ;
মফমতন ।নিতিনী ব্রাহ্মন লাইমিক ভজিরকই
শনি পুজা শব্দোকদিগে হায়না তৌমক্রে ;
মসমসিনা স্বর্ণমাদা গাবনা হৌমক্রে।
শনিমা হায়রকই বর অমা নিয়ু ব্রাহ্মণ ;
বংনা নিবা বর দৌ ঐ চংলসে ব্রাহ্মণ।
ব্রাহ্মিনা হাবরকই করি ব্রানো নতিক চাওবা
কোয়া বর নিজগে হায় নথক তাকইবা।
সি হাবখদা শনিচর শোংনা হায়রক্রে ;
নোক্র নোয়হুমা শনিনা হায়বা হৌমক্রে।
গুখিংকী মচানি মীংনা শনিদেব কোই ;
অরেঙনি নিজনিংবা নিজখো হায়রকই।
ব্রাহ্মিনা হায় বর পিখিসে হায়রবনিনা ;
ঐনী স্বাশিদা ইবুংতোমা মেংবৌগছুনা।
শনিনা হায়রকই বরনো পিরগনি ;
ঐনা নংনী স্বাশিদা মেংচ মোইদবনি।
চহি অনিদ মচাইরি নংগী স্বাশিদা মেংবা ;
চহি নিপাজ হাংলিজো নংতোমা মেংগদবা।
চহি নিপালসে পুং তরাদা মেংলজনিনে,
যদুনাথনা হাঁকতেয়ে খৌজানবিনচিনে।

শনিবেবনা হায় থাংজ হূমিংকী হূমিদাংবাইদা
পুং তরাঙ্গিদা ঐমা য়েংবা নংগী য়াশিদা।
অচুম্বী ঋষুশো নংগী অরাবা কোকনি ;
থরদি চাথা তাবে নংনা খাঙ্গদবনি
শ্রীহ অসিবু নংনা শ্রীনরহরি নিংজৌ ,
থাংজগী হূমিত্তা গঙ্গাগী মপান্দা তৌজৌ।
পুং তরা শেনপদবনি নরানবু নিংলগা ;
শনিচর লেংবরে বাসি হায়বিরমগা
থাংজদা স্বশম্ম। চংলি গঙ্গাগী মপান্দা
আসপা কমণ্ডলু নরান নিংবা হৌকরলেদা।
শ্রীহরিবু হুংশিবা রাইহ কয়া হায়জে
করবা শ্লোক খিত্তুনা চরণদা থুরমজে

তথাহি শ্লোক মালিনী ছন্দঃ

মধূর মধুর মে তন্মঙ্গল মঙ্গলানাং ;
সকল নিগম বল্লী সংফলং চিৎ স্বরূপং।
সকৃদপি পরিগীতং শ্রদ্ধয়া হেলয়া বা ;
ভৃগুবর নর মাত্রং তারয়েৎ কৃষ্ণ নামং। ১

পাদং

শ্লোক অর্থি থিনা খাক্না খ্যান তৌরকই
মহব ছুপা খাংলগা তোইদুনা [illegible]

নিংবা চোক্তুনা বঙ্গলা মখিং-কেক পাঙলকে
হৌগদুনা লেংলুবনা পুং অনি থাংলুরে ।
অমুক বহুনা, ব্রাহ্মণ ,অমসনা বরে ;
মখিং অনি, উইশিঙ্কুনা থাদনু তেৌবা হৌঙকে ।
শনিনা হাক্তকই সাৰিক ওইবীরু অমানা ;
নরানঙী চরণদা পুক্নিং লোমগন্থ থারজনা ।
থওইবদুপগী ব্রাহ্মণ ওসি অবাবা ভাইনে ;
ঐলী মেচাকরে পুন্নকা থওহনবা তাইনে ।
মেরুম মথুন্দা শিংকং শিংহনবা ওমহত্তিবনি
মুংঙাইবগী লোইনুনা চৎলে প্রভু শনি ।
মর্ত্য ভূমিদা থুনুরে শনিচরনা ;
নিংথৌমচা অনিমক থেংনৈ লম্বীদুদা
নিংথৌ মচা অনিদো মারানা লোৎশলুরে ,
নিংথৌ মচা অনিগী মকোক অনি শেন্নুরে ।
ব্রাহ্মণগী বৈখুন্দা থম্নুরে শনি মাংখ্রে ;
কোক অসি উবদা মীনা নিংথৌদা অমরে ।
নিংথৌনা থম্বিবা চাকনিবা ব্রাহ্মণ অতনা,
ঐ না হাকচংবে অদুবীনু পুক্নিং তপ্না,
ব্রাহ্মণা নচা অনিতু হাংলগা চাখ্রে
ব্রাহ্মণগী কথুন্দা নচাগী মকোক চানখ্রে ।
লৌনম তোকনা কশগী আসনা চাখোক্লে
হায়রিবসে উরগা মহারাজ থওলনিত্রে ।

মচাবু হাক্তোকপ্রে তাবদা শিংখৌহুবা ;
ওকপ্রহুনগা হায়রক্লে মন্ত্রিশিংদা শিংখোম্না ।
ব্রাহ্মনা ইচাবু হাত্‌্না চাদে হাক্‌রম্নে ;
কপ্তূবা ব্রাহ্মণদো পুরকপ্ত মাখং পিরেগ
নিংখৌবী মাখং মংবদা দূতম্না চেংক্রে ;
নিখৌ মমাংদা পুম্নমা ব্রাহ্মণ পুরক্লে ;
নিংখৌবা হায়রকই বাখোনসি হাংলৈবদা ;
শাপন্তু লৈগনি ঐনা ইচাও কংলম্নোইদা ।
পাপ চেনবা ব্রাহ্মণদো পুন্‌্ হায়না মাখং পিরে ;
মচা কৌহুনা নিংখৌনা কম্না হৌখক্লে ।
যহুনাথ ব্রাহ্মণমা সরস্বতী পুরমহুনা ;
নিংখৌনা কম্নদে লাচাড়িদা ইরকেদনা ।

লাচাড়ি

নিংখৌ কৌহুনা কপদিদা হা ইবুংঙো অনি লৈত্রবদা,
কমদৌনবু কেমগনি মুমসিদা
নখোইনিবু পোকপদা খুংঙাইজবনি ইপাদী ;
কমদৌনা লৈগনি লৈত্রবদা ॥
ব্রাহ্মণবু ইরম পিহুনা মুমদা থম্‌বা ঐহাক্না ;
পুমমক্না মাংলে করি ওইনি ।
হা বিধি খুংশিবিদেদা ওখোক্না লীনা তম্বীরেদা ;
হয়াম্নেং ইচাবু পুখিবনি ॥

শনি পাঁচালি

হে-বিধি নংগী নোংদমসে　　খুঙদা ওমহেকো নয়েসে ;
ঐভোন্দা অশুভ য়াবা শিবিবা ।
লল্ পান্নবশু তাকপিয়ু　　করি 'বন্নমনো য়ায়বিয়ু ;
মুশিবা ইচাবু নংদা পিদা ।।
মতাংসি যদুনাথনা　　নিংথৌ শনি পূজা তৌনা
খংভনি নচা অনি শোইদনা ।
যদুনাথনা ইরম্বা　　শনি পাঁচালীবু ওইবা ;
ইজরি ইবালোন্দা মনাইনা ।।

শাক

য়াংবা য়ানা কম্প বমচনা নিংথৌ সনা ;
লৈবাকথক্কী হেৌগংলক্লে মুঙাইতনা ।
নিংথৌনা কপ্পা উহদা প্রজা পুম্বা কপখি ;
নিংথৌনা য়াবহম মহারাণী বাখি ।
মতম্মংদা মুনাম্ম খুরম্মক্লে শনিসে ;
তাবমুনে ব্রাহ্মণা খুরমবগী শ্লোকসে ।

ভক্তিং শ্লোক

নীল জলদের বর্ণং রবি সুত মহাগ্রহং ;
ছয়ায়াঃ গর্ভ সম্ভূতং বন্দে ভক্ত্যা শনৈশ্চরং ।। ২
খুরুমজরি শনি প্রভু নুমীংকী মচাওইবা ;
চঙজরি ইবুঙো ঙোকপীয়ু কোকপিবা ওয়া ।

কৈতম্বশ সিদগী লৌথে কপিন্নু প্রভুনা ;
তাকপিবগী মতুং ইন্না লেবা তোঙবদা ঐনা ।
খুং তন্না হৌখরে দোষ পুথা খাবোক্লোদা ;
নিংথৌ মচা অনিদো হেক লাকই মতমসিদা ।
অতাং উবদা মী পুম্নমক হরাওনৈ চৎক্লে ;
নিংথৌ জ্ঞান তাররক্লে মনাক্তা মীয়ামত্ত তিনৈ ।
মহারাজ ওইথোক্কবা রাকম্মি থম্মসি ;
মচা ইবুংঙোদে থেংবিযুদো লাক্লিবসি ।
রাসি তাবদা মহারাজ মমিং পাংলে ,
মচাগী মফমদা রারম পুম্নমকসি হৈংলে ।
ইপাগী ইবুংঙো নথোম্নি মফম কৈদা লৈবা ,
ব্রাহ্মণগী কৈগন্দা কমদোম্না নকোক লৈবা ।
রাসি তাবদা নিংথৌ মচা নিনা হায়রকই ;
ঐখোই নিদি বনগী ময়াইদা তূবতুনা লকই ।
ব্রাহ্মন্না মফম কৈদা লৈবগে হায়রকই ,
সিদগী নিংথৌনা ব্রাহ্মণ পুরকউ হায়রকই ।
নিংথৌ রাথং কংবদা ব্রাহ্মণদো পুরক্লে ;
নিংথৌ খুং লোম্নহুনা ব্রাহ্মণদা হায়রক্লে ।
নহাকসে করম্না মশকনো থওবা ওমদরে ;
ব্রাহ্মণনা হায়রকই তাবিয়ু নিংথৌ পুক্নিং চংনা
ঐগী রাশিদা শনি প্রভুনা য়েংবিবনা ।

কৈতম শংদা অপনবা পিবিরিবনি ঐবু
নিংথৌনা কদাইদা লৈবগেনে শনিবু।
মতম সিদা ঐঙোন্দা উচন্নুনা থজহল্লু ;
শনিবু উহল্লবদি ঐ থাজরে থল্লু।
রাশি তাবদা ব্রাহ্মণনা চংলক্লে উখোংদা ;
মৌরক্লেদা স্তুতিশী শনিগী উনকমদা।

তথাহি, শ্লোক

কোণস্থ, পিঙ্গল, বভ্রু, কৃষ্ণ রুদ্রান্তক,
যম, শৌরী, শনৈশ্চর, মন্দ, পিপ্পলা, দেব,
সংস্তুতঃ ॥ ৩

শনিশচরণী নাম তরা অসি থী ব্রাহ্মণনা ;
তশেংনা লেংবিরক্লে রা হায়রকই শনিনা।
ব্রাহ্মণনা কৌববু কাঁয় মরম লৈরিবগে ;
হেক থুরুম্নি ব্রাহ্মণনা তাবিরু হঙ্গচগে।
নহাকপু উজগে নিংথৌনা হায়জরি প্রভু ;
উহনবিয়ু প্রভু লেংবিথিগনু প্রভু।
পৃথিবীদা নহাকী পুজাবু শন্দোকচপে ;
মী পুক্সমক্না ইবুংঙোবু পুজা তৌহনগে।
শনিদেবনা হায় ব্রাহ্মণ পুক্নিং ফমা ভারো ;
থুনা চংলো নংনা নিংথৌগী নাক্তা লৌরো।

মতম্মদা নিংশিংলকউ ঐবু নহাক্না ;
তশেংনা অমর্কানি মিংথৌ মমাংদা ঐবা ।
সিদগী লাক্কে নিংথৌ মমাংঙদা ;
রারম পুম্বা কৃষ্ণচন্দ্রে শুভঙাই তাবদা ।
নিংশিংকদবে ত্র ষ্মসা লেপ্লবরে শনিমা ;
প্রমানিদা মকম্বা লংঙু লকচাংগী মঙ্গান্না ।
নিংথৌগী মাংদা কেপ্তুনা উহল্লি শনি ;
মী অমতা উংঙ্গে নিংথৌদা উহনবনি ।
শনি উহদা নিংথৌদো থাগ্না হবাওক্লবে
সিংহাসনদগী লৈবাক্তা মিংথৌ কুমথক্লবে ।
চন্দ্রনা তাবহৌম থুকমক্লবে লৈবাকথক্তা ;
মহাপী ভক্তি শনিনা পেনবী উবমক্তা
শনিনা হে নিংথৌ ঐগী হন্না তাবো হায়ররে ;
নংনা ব্রাহ্মণসিদা মথাল পিহনা বাহন্নে ।
পুংমক্তা ম হনবা শংহনবদি শহাক্তি ,
ঐবুদি মী শুক্রমক্তা পুজা থঙদবনি ।
রাসি তাবদা মিংথৌমা ঠাকুরগী তাকপিয় সেবা ,
কবি পোপংলো পূজা তৌরগা প্রভুনা পেনবা ।
শনিনা হাক্ত নিংথৌ হাকচে পুজাগী পৌংলমদো
হৈবম মত্র, স্নান, অর্ঘ্য, নৈবেদ্য, খোমগনিদো

হৈরুন মতঙা হায়রবদি;
ত্রাত্রি, (তাইবাং) অক্ষী ('ইহক্লু) পুগ. (কাংপারী বহেরা.
(বাহেরা) হরিতকী (মা-ংফি)

জাতি হাযবা লৈ অহু কংলবদি যাওগনী ·
পঞ্চ ফংলগা জাতিগা লোইনহুনা তৌগনি।
মতম মতমদা ফংবা হৈদগী খল্লগনি ,
হৈবম মণ্ডাসে শুদ্ধহল্লগা তৌগদবনি।
অতোপ অতোপপা পোংশু পোবহুনা হাপকনি
কর্পূবগা লোইননা পাম চিনী থাওগনি।
হাযবিবাসগা লোইননা কংপা য়াবা হ শকনি
মওংদি কৃষ্ণদা ভক্ত তৌনা কংলগনি।
প্রসাদ অহুনা ঐবু পুজা তৌগদবনি
ঐগে ন্দা পিহুনা য় শিনা হায়গদবনি।

তথাহি শ্লোক

শনৈশচর মহাক্রব গণেশ মুণ্ডন শক ,
করোমি বিপুলাং দেব শুভাং মে করু
সম্প্রদ

পদ

শ্লোকসি থীহুনা নিংথৌনা ঐবু পূজা তৌবি
থাংজা মুমিংকী সন্ধ্যাদা সেবাসি তৌগনি।
চাম চিল্লবা মী বযাংরম যাওহনগান ,
ভক্তি তৌহুনা মী শুমকপু পেনহনগনি
ময়ামগী অরেম্বা মুমদা পুবাইদনি ,
লেহদবা পোংতু চাথোক কপ্পোহ্নদহনি।

ঐরু মতৌ অসুম্না সেবা তোপদবনি ;
সেবাবু তৌগ্রবদি খওজো হেন্না রাগনি।

তথাহি, শ্লোক

শনৈশ্চর ভবেৎ পীড়া, পুত্র দারাচ বিগ্রহাঃ
বিদেশগমনশ্চৈব, বন্ধুভিঃ সহ. বিগ্রহাঃ।৫

পদ

অসি অসুম হায়রগা শনিশ্চর লেংখরে ;
খুকমচুনা লৈবাকা নিংথৌহুনা লৈহৌরে।
অহুদগী নিংথৌনা শনি পুজা হৌজখি ;
থাংজা থাংজা খুদিংগী নিংথৌ সেনা তৌজখি
শনি পুজা নিংথৌনা নুংঙাইনবু তৌজখি ;
অচুগুবা ব্রাহ্মণবু সুঙাইনবু থমজখি।
ব্রাহ্মণ অদুগী কজবী কন্যা অমা লৌবীরে ;
অরাং থংবা খুঙ্গংগা লোইনচুনা, কচ্চরে।
মথাগী সমুদ্র মপান্না নিংথৌগীদি ওইখি ;
অরাং সমুদ্র মপান্না ব্রাহ্মণগীদি ওইখি।
থাংজা থাংজা খুদিংগী পুজা তৌজরে ;
শনিনা মসা, মরস, মনাই প্রশস পবিরে।
মতৌ অসুম পৃথিবীদা পুজা শন্দোকপিল্লে ;
সুশর্মাগী রাজমদি অসিমতুম লোইজরে

মতাং অসিবু ইগুরি যদুনাথ ব্রাহ্মণা ;
যদুনাথ গুরুনা ই বৈরম্বা য়েংহুন্না।
খগুরাব্রবা অর্থগু থুরুম্বগী পাঙ্গন্না ;
ইমালোন্দা ইঙ্গরি তোল্লবা ননাই ঐনা ॥

শনি পঞ্চালিগী মচুং অহানবগী মখায় সুশর্ম্মাগী রাবীদি নিনা মুংশিবীগ্রবগী মতাংবু অহানবা মসিদা অকুপ্পমক লোইজরে ॥

অধ্যায়গী অনুবাদ

অনিশুবা অধ্যায়গী মনুংদা সদাগরনা অহানবা ললো বদা শেল মাংলগা শনিবু খুবমগে হায়না লেম্নগী থৌজাম্না পৈখ যাম্না তোংখিবা অমস্তুং নুংঙাইবনা অরাবা কাওরুবদগী মঙ্গ অমুক অবাবা ফ খিবা অমুক হন্না খুরুম্বদগী অশাবা কোক্তুনা নুংঙাইবা ওইখি। অসিগুম্বা অরাবা অমস্তুং নুংঙাইববু থোকহনবিয় শনৈশচব প্রভুবু তোঙ্গবা নিত্যানন্দ দাসনা হন্না, হন্না ভক্তি কচ্চী

পয়ার

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যা নিত্যানন্দবু খুবমজবি ;
শ্রীঅদ্বৈত গৌর ভক্তশিংবু খুরুমজবি।
অগানবদা ননাইনা খুরুমজবি ওকবু
হৌজিক'মুক ইজরক্কে সদাগরগী রাবু।
বিজয়া নগরদা ললোনবা অমা লৈরম্মী ,
ললোনবদা লন মাংতুনা অরাবা ফংলম্মী।
হী তবেং, মঙা পোং থম্না হাংদুনা পুবকই ;
শেন্দোংদা নত্তনা শেল্লেপ ফাওবা মাংলকই।
লকোনবা খ'দোক্কে থন্দুনা লাক্কে মযুমদা ,
সন্ধ্যাগী মতমদা সাধু লাকই সমুদ্রদা।
মানা সমুদ্র মপান্দা ফজবা কোম্নুং উই ;
হীখক্কগী সাধুনা পরপ পরপ কাখংলকই।

খাংজ হুমিং ওইহ্নবা হেশর্মা ব্রাহ্মণা ;
শনি পূজা তৌরমই চঙ্গদবা পোৎলম্না ।
পুজা উবদা সদাগরনা হংজৈ খৌরম্নু ,
করম্বা লাই মশক্তো পুজা তৌরিসিবু ।
ব্রাহ্মণা হায শনি কোই গ্রহগী নিংথৌনি ,
মহাকপু পুজা তৌরবদি মঙ্গল ওইবনি ।
সাধুনা হায, ঐঙোন্দা তাকপিয়ু গোবাই ;
চী মন্ত, তরেৎ থম্না পুজহ্নুনা চংচরকই ।
তোংবদি হায়কন্নু শেঙেপ ফওবা মাংখরেনা ;
ঐগী মাংখিববু পিববদি হঙ্গন্দুনা ।
হীসি অমুক থম্না য়ুমদা ঐনা হএবদ ;
অতোংবা শেল থববু ঐনা ফংলবদি !
অরেপ্পনি ঐনা পুজা তৌজগনি প্রভুদো ;
চারুঙ্গিম্নু তৌগদবা পুজাগী মরমদো ।
শনিন। তাক্লখ্ৰু ব্রাহ্মণা হায়রকই ;
হায়রকপা অহ সাধুনা লাইরিক ইশিনহৌই ।
সাধ ব্রাহ্মণবু খুকম্নগা লাক্লে য়ুমদা ;
পুক্নিং চঙখ্রে শনি গ্রহবু খুরুমজবদা ।
অহিং হৌখ্রে নোং ঙাম্রে সাধু য়ুম ম্নোরক্লে ;
লপো : পোৎ পুরকই সাধুনা য়োনবা হৌরক্লে ।
পোত্তু য়োনবদা সাধুনা শনিবু নিংশীঙিত ;
সাধুনা য়োজবা পোৎ খুদিংগী হুংনা তোঙিত ।

থাংজদা সাধুনা শনিবু পুজা তৌবকই ;
হী মণ্ডা, তবেং পোং থনা হাপ্তুনা পুরকই॥
সাধুগী হী পুম্বা কলোন পোংনা পিকথল্লে ;
থা ভকক চংলগা সাধু দেশ অমা কংলে।
দেশ অহুগী নিংথৌদো নীশধ্বজ কোরম্মী
কোনু'দা চঙহুনা সাধু, নিংথৌবু খুবম্মী ।
সদাগবনি, পোং থব য়োঙ্গগে ননাই ঐনা ;
শকক মবি হেন্না ফংলে শনি কৃপানা
শগোল শামু লৈবা ওক্লা লুপা কজবে ;
মুঙঙাইববদা শনিগী পূজাদি ক ওথরে।
শনিনা হায় সদাগব নং নাপল লাক্লেদো ,
থঞ্জিক্তং মুঙাইবদা নং নাপল তৌবেদো।
শানবা থাকই নাপল পৌথোকপিগে হায়না
পিবা হৌবক্লে, য়েংই অরাবগী মিংয়েংনা ।
অহিংহুদা নিংথৌগী সনাগী খুজাই হুবে ;
নোং হেক ঙানবগা সাধুগী মকমদা য়োল্লবে
শনিগী মীংয়েং ফংবদা সাধু পাখল তৌদে
সনাগী খুজাই লৌশিল্লি রা'মতা হংদে।
অসোমদা নিংথৌ খুজাই হুখ্রে, থিবকলে ;
হুবানবনা হুখিবা তাই, সিকাইদা হায়বক্লে ।
ঐগী লৈবাক'সিদা ফংনবা থিয়ু নথোয়না ;
নিংথৌ য়াথং কংবদা থিবক্লে সিকাইনা ।

নিংথৌগী য়াথংনা লৈবক খুনক্তা থিরক্লে ,
ফংঙকপ্রবদা সিফাইশিংদো কৈথেল্দা লাক্লে।
হুরানবনা যোদ্ধস্ত য়াই হায়না য়েংলক্লে ;
শনিনা পিরগা চংথিবা কান্দা য়ৌরক্লে ।
হুরানবদি সাধু অসিমক ওইরে হায়রকই ;
খুজাই উবদা সাধুদা সিফাইনা চৈরকই ।
শনিনা য়েংবদগী বিচার তৌখিদরে ,
মখুং পুন্দুনা নিংথৌগী মাংদা পিররে ।
নিংথৌনা হযেরকই সাধুদো থম্মুচো জেল্দা ;
তমথিবা সিফাইনা নিংথৌগী য়াথং ফংবদা ।
জেলগী মথংদা মখোং মখুং পুন্দুনা থম্লে ;
কম কপ্লহুনা সাধুনা যানা লৈরক্লে ।
কৈদৌনুংগী ঐনা লাকচরবা মথাক্নোমদা ;
মমাংগৈদা ঐনা নোংচুপ্তা চংলুবা কান্দা ।
শেল মাংলহুনা ঐনা যুমদা হল্লকপা কান্দা ;
লম্বিদা শনি পূজা তৌবা উজপবদা ।
শনি পূজা তৌবদগী শেল ফংলকপনিকো ;
ঐনা জেলসিদা লৈরিবসি শনিদেব কাওরেকো
ঐনা কাওবসিদা কৈগুমশংদা থম্লবনি।
খঙলে বাঁরবা কান্দা মাঙোন্দা চঙজবনি ।
অসি খল্লবগা খুকমজবে সদাগর ;
খুকমজরিকো সুমিংকী মচা শনিশ্চর ;

ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব লাই নংতনা অথোইবা ;
মৈ, ঈশিং, নুংশিং, আকাশ পৃথিবী নহাক্কি ।
নোংমাইশিং নিংথৌকাবা, যুমলকৈশা, লগোলশেলা
রাহু, কেতু, ইরাই, থাংজ, মশকপু নহাক্কি ।

তথাহি, শ্লোক

গ্রহরাজ শনৈশ্চর কশ্যপদৌহিত্র প্রভু ।
যথা তথা ভক্ত রাজ বন্ধন ভয় মোচনং ।।

পদ

এনা কৈশুমশদা লৈবসে থাদোকপিরোকো ,
ইরনগা লোইননা থরাঐ হকচাং কচ্ছরেকো ।
সিদগীদি নহাকপু পূজা কচ্ছরগদি ,
যদুনাথগী সিক্তিনা হায় কৃপা লাকনি ।
কনা উবদা থৌজাশবিগে থল্লে শনিদেবনা ,
নিংথৌগী মমঙদা লাক্কুনা হায়রে শনিনা ।
তারো তারো মহারাজ রাম্মী হায়গে এনা ,
করিগী বন্দি থম্মী বিচারদি তৌদনা ।
এনা সাধুবু থর লাক্লগে হায়হুনা ;
এনা তৌবনি করানবা নত্তে থজঙ্ নংনা ।
হয়েং নোং তানবগা সাধুসে থাদোক্তবদি ;
লোইনা মাংহনগনি এনা নংগী কোক্লুংসিদি ।

অসি হায়রগা শনৈশ্চর লেংখরে ;
নিংথৌ মীরূপ থেংরে যম্পী খল্লবদা ব্রারে।
অকক্বা ঈশিংনা নিংথৌ মাই শেংনা তাথোক্লে ;
মণিশিংগী মমাংদা মণ্ডপী হারী তম্লক্লে।
মণ্ডপী অকিবা মুর্ত্তি নিংশিংনদা কিরক্লে ;
সাধুদো থুনা পুরবউ নিংথৌমা হায়রক্লে।
নিংথৌ য়াথং হংবদা সিকাইনা পুরক্লে ;
নিংথৌনা অক্লাবগা লোইননা হায়রক্লে।
সদাশিব নহাক্ক করি চাইনা থাকপগে ;
ঐবু ওয়্নবা করম্বা চাই সেবা তৌবগে।
সাধুনা হায় ঐবু সহায় তৌবদি শনিনি ;
সেবা কাওরবদগী ঐবু শক্তি পিবনি।
নিংথৌনা হায় প্রভুগী সেবাদো খর হায়য়ু ;
প্রভুগী পূজাগী পোৎলম পুমমক হায়য়ু।
ব্রাহ্মণা তাক্লবগা অচুমক সাধুনা হায়রেৎ ;
মথা মাইকৈগী নিংথৌনা পোৎচং পুম্বা ইরে।
বিচার তৌদনা কৈশুমশংদা থম্বা ঐনা ;
দোষ তৌবিদ হকবিরো দেশদা নহাক্লা।
অসি হায়দুনা নীলধ্বজ মাপেৎ কৌরে ;
শম কোকথোক্লে সাধুনা ইকুজথোকচরে।
নিংথৌনা। মিগা লোইননা মশা নুপা পরো
সাধুনা নিংথৌগা কোমরে মরুপশামরে।

বিদায় তৌনরে সাধুনা হীদা তোংখংগ্রে ;
মমুম য়েৌনা কয়া হী তোংহনা চংচরে ।
নীলধ্বজ নিংথৌবা শনিপুজা হৌরক্লে ।
শনিনা পেল্লে মচা মবন য়াম্মা পিবিবক্লে ।
থা তকক লাক্লগা সাধু দেশ ফংজরে ;
হীথক্কগী লল পুম্বা যুমদা পুখংচরে ।
লুপা ঙিশিং থুগাইহনা শনি পুজা তৌই ;
অতোপ্পা অচা অথকা লোইননা পূজা তৌই ।
থাংজ খুদিংগী শনি পূজা তৌই সাধুনা ;
চাক লল পুম্নমক ফংজরে শনিগী ববনা ।
ব্রাহ্মণগী রা অহানবদা শনিনা তাক্লকথি ,
সাধুনা শনি পূজা তৌজে অরাবা কোকথি ।
কৃষ্ণনা হায় যুধিষ্ঠীর বারিশি তাবিয়ু ;
হস্তিনা য়েৌহনা ইমাগী সেবা ফংবিয়ু ।
হৌজিক্তি নুংঙাইবনিকো অরাবা লোইগ্রে ,
বিদায় তৌবয়গা শ্রীকৃষ্ণ অমুক লেংগ্রে ।
শ্রীকৃষ্ণবু কাইনবদা মঙানা রাজথি ;
নৈমিষা বনগী মনুংদা মঙা নাম শোনখি ।
শনিবু নুংশিবদগী অরাবা কোকচথি ;
কৈগুম শংদগী সদাগরবু লৌথোকপিখি ।
শনি পূজা তৌজো ললোনগে নিংবিরবদি ;
অরাবা ফংহল্লোই শোরননা পিগনি ললিদ ।

শনিগী পূজাবু তাবদা থওইজ্রবদি ;
থবক পন্নমক্তা করি ওইরোই মাংগনি ।
পূজা তৌরগা ভক্তি তৌনা প্রসাদী ফংনি ;
প্রসাদীনা লাইথুং কোক্‌না দেহে নোইগনি ।
থৌওইদবা তৌবিগনু পুরাণগী বাকয়ি ;
শঙ্খ পুরাণা মরেক লানমক য়াওথ্রবনি ।
ব্যাসগী মফমদা শ্রীনারদনা হায়খিবনি ;
মীওইবনি কামনবা ব্যাসনা লেংবনি ।
শ্লোকগী পদা ওইমা যদুনাথনা ইবনি ;

...সিদা

শনি পঞ্চালি হায়বা শঙ্খ পুরাণগী লৌথোকুনা শ্রীযদুনাথনা ...মা লোন্দা ইরম্বা অসিবু ৎবেংহনা শ্রী নিত্যানন্দ দাসনা অমুক ...প'রি ইমা লোন্দা ইজবা মতাং অসিদা অশুদ্ধক লোইহল্বে।

লোইরবা